তরুণ সাহিত্য অহান্‌বা

শ্রীচিংঙাখম্ পিশক্ সিংহ

তরুণ সাহিত্য অহানবা

অরেংবা:—

শ্রীচিঙতাখম্ শিশক সিংহ এম, এ;

হে°, ম°, সি, সি, স্কুল।

মমল্ ১৮০ নি

হিরম লামাই।

হিরমশিং লামাই

——:(•):——

ইমা

১

সুংশিবা থিবদা শায়োল্লি মশানা,
শেম্বনি মশাগী ঈ মাঙ্ হজবু
মচাদা ফংই মৃত্যুমন্ত্র সুংশিবা,
তম্মশিম্মি বিথিনা খুজিনবু অসুবা
জীবন পুন্সিগী মপোক্তা ॥

২

পুনশি'শৈহৌদা মাঙ্লেম লৈদা ভাবগা
থঙ্নবিহন্থি বিশ্বস সাক্নাহ ঐগা।
ফ জরম্মি ঈশ্বরগী অহানবা দান
ইমাগী সুংশিবা অথোইবা দান
জীব'পুন্সিগী মপোক্তা ॥

৩

অই-হশানা অহানবা হেক্ লৈরকপা,
হঙঙা হাযদুনা অহানবা হেক্ কপ্পদা,
সুংশি-থৌজান মিৎয়েংনা য়েংবিদুনা
কোন্থংখি-কনানা পুন্সিগী শৈহৌদা,
ঐবু পোক্পী ইমাননি ॥

৪

ইমানা ওয়া-লুকোইবু হায়রিঙৈদা
তুক-হঙোইবা থবক্পু তৌরবদা

অশাও হুঙ্গোই মরিক, অমত্তা ৱাংদনা
সুংশি-সু শিনা কোন্‌শিন্‌বিখি কনানা ?
ঐবু পোক্‌পী ইমাননি ॥

৫

ৱাক্‌চিং থাগী অহিং ত্রৎ লাউনা ইবদা
ইমাগী নমথাং, ফমুং ফাংনা চোংলদা,
চেঞ্জৎনা কোনশিন সুংশি পৌজান য়াম্লনা
কনানোনে চুম্লিবদো নোক্লা নোক্লা ?
ঐবু পোকপী ইমাননি ॥

৬

লাম্থে ননবা থুংলাই করি লৈত্রিবৈঙে
তমখিবা যেক্লবা কযানা কোইশিলঙৈ,
লৈত্রিবৈঙদা কঞ্জনবা শক্তি ইশাবু
কনানো কন্বিদনত্তা লাক পা ঐব ?
ঐবু পোকপী ইমাননি ॥

৭

অয়ো ফংহনা হেদো নাহে ংা বকান,
তৌরা থক্কা থ বাগী মাল্লো ঙনবকান্‌,
অহিং-সুংখিল খাত্তনা সেবা তৌবদা
কনানোনে হায়দবীদ্রো ৱাই কৌবদা ?
ঐবু পোক্‌পী ইমাংনি ॥

ইমা।

৮

কিনরবা লাইনানা নারহুনা
মী'পুম্বা হন্দোকৃশ্রবদা খিগন্তুনা
মুংশিনা শিৎ নান্দুনা সেবা তৌবদা
কনানোনে তুরু-হুঙ্গাই শোনদবীদো ?
ঐবু পোকৃপী ইমাতনি ॥

৯

স্বর্গগী করম্বা মু শিবা খোজেম্মা
করম্বা তাল্‌গী খোম্বোক্তা শক্তুনা
মাগী খোম্বোক্তা চাংদম্নিডভাই ওইদবা
কনানোনে 'হুম্বা খোজেন্‌গী মপুবু ?
ঐবু পোকপী ইমানিনে
ঐবু পোকপী ইমানিনে ॥

নিংশিংবন্তদা শান্তি, রাখন্দা অপেন্‌বা পীনবিবা হে মঙ্গল দায়িনি জননি ! তোল্লথা নচানা হৈত হৈত ইজবা লাইরিক্ মচাসি নোল্লুক্লা কচ্চবা লৌবিয়ুকো ইমা।

তোমবা অপতুবা নচা

ৱাহৌদোক।

মৈতৈ-লোন্দা তরুণ সাহিত্য (juvenile literature) থোইদোক্লা তাঙিঙ। নহারোল শেম্বনা জাতিগী অথোইবা মথৌনি। নহারোল্না পাবদা অমসুং তম্বদা কান্নগদবা সাহিত্য নত্তনা নহারোল শেম্বা য়াম্না ৱাগনি, ওইথোক্কবা ওইবসু যাই। অহুনা নহারোল্গী কান্নবা হায়বা ৱাফম্না থৌইনশিন্ ওইহুনা লাইরিক অসি লেংবনি। অবোইবা প্রবন্ধ, 'মণিপুর' হায়বা অসি লে বিরক্কুনা লাইরিক অসি মপুং যাননবা হোৎনবিরকপা ঐগী ইতোন্ শ্রীমোইবাংখেম চন্দ্রসিংহবু তৌবিমন খঙবা বাখনগা কোম্ননা থাগচর্বি অমসুং তোল্লিবা লমন অসি থম্মোইদা চেৎনা কিশিন্দুনা থম্মি।

বাকম অমনা, — ঐনা 'অনৌবা যুগকি অনৌবা মী' হায়বা — হিংম্ খবদা,- বিজ্ঞান, দর্শন, রাজনীতি রাষ্ট্র শেম্বা —অশিনচিংবদা অনৌবা যুগ অমমম্ পুরকপা মহাত্মা খরগী জবন-চরিত ওাক্কুগী অতোপ্পা লাইবিক, অমসু ফোংলি। মাহুনা 'Supplementary Reader' ওইহনগে নিংবদগী লাইরিক্ অসিদা জীবন চরিত য়াওদ্রে। মাহু নবো তোঙভান্ তোঙভানবা হিরম কযাগী প্রবন্ধ হাপ্পুনা নৌনা সাহিত্যগী থোঙ্দা চংলক্লিবা নহাবোলগী কান্নবনি হায়দুনা হোৎনরি। উদ্দেশ্য অসি কদায় ফাওবা পাঙ্থোক্লগবা?

চিং, পি, সিংহ।

" নহারোল্ "

নহারোল হায়বা অসি জাতিগী অথোইবা লম্নি। মী অমমমগী মশা মশাগী পুন্সিদগী চহী মতাং অসিনা মী অমগী পুন্সিগী অথোবা মতাংনি। অরিবা, অঙৌবা কোক্কি অমুম্বা বাখল্লা অচুম্বা পুথোক্নুনা পুন্সিদা লমজি পীরিবা অহাল্লান-বুনা অথোইবনি হায়দুনা মখোইনা পাম্বা, হৈনবা অমসুং থাজবদুনা, মচুগী অনাক উপ্পগা য়েংবদা পোৎ পুম্নমক অনাক অংগী মচু শংঙ জিনবগুম, মচু শংদুনা য়েংলবা, শিনি-নানি খঙদবা, তথকপা নহারোলনু অথোইবনি হায়নরিবসি কবিগীনে।'

পুন্সিদা ওহনা থুদি থিববা অমসুং অরা অনং মশিং নাইদনা থেংনরবা অহল্লোননি। ওহনা ওনবা সংসারদা মখোয়না মমিৎকী মমাংদা থাকথরবা অশি অনাতবু ওহনুনা উরি, নিশিংই, অংম্বা রাখস্তুনা নক্কাহনা মখোইগী ভাবরাজ্য অতু মরাই চাইথবকপনা থবক্তা থুং থাবা মখোইনা থোইদারা নিংজি-মাংজিংনৈ। অশিবা'গী কৌবা অতু মখোইগী মনাকোংনা ওহুনা তাবগুম ভৌরি, অদুনা পন্সিদা হৈনিংবা রাংলি। অতুদা পুন্সিগী লানফমদি থবক্কী লানফম্নি। অতুনা থবক্তা প্রোক প্রোক চাকশিনবা রাংলবা অহল্লোনগী কর্ম্মক্ষেত্র ওইরবা সংসার ক্ষেত্রদা অরাংবা মফম লৈবা য়ারোই। অদুগা

অমরোমদনা, হকচাংগী পাঙ্গল জর জর হেঙ্গৎপগা কোম্বনা মিং, নাকোননচিংবা ইন্দ্রি পূম্নমক লাক্ক-যান যাদবা মখৈ কংখংলকপা মতম ভাবগাজ্যনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা তেরা ম যান্ পূবগুম নগাবানবু পুংনা চৎশিনৈ মতমদা, নহা-রোম্বা অতিযাদা পাইনি ই, সমুদ্রদা লুপ্পিই, হিমালযগী মতোন কানি ই। অশি-অনাগী বাখল্ মপাইদা চংদ, মপাঙ্গল্না মখোইগী লক্ষণনি, থবক মাগী মহৎনা। অনানি সংসার-ক্ষেত্রদা মখোইনা খুাইদগী অবাবা মফম কনশিল্লিবা।

তিঙ্গ-যাঙ্গবা, শোক্সুনবা নহা অমা নহা নত্তে, মহাক হন্নবনি। শক্তিনা মাগী ধর্ম্ম ওইরিবা নহানা শক্তি অতা যাও-দ্রবদা কংম্না মাবু নহানি হায়গনি? শক্তি অতুগী ভুনফা হৌবকথম্না হকচানি, অতুনা কংচা অসি শক্তি অতুগী মন্দিরনি। শেগাইবরা, মোংলবা মন্দিরদা লাৎপা দেবতাবু তাইবনা ইরাৎ-পূজা তৌনিংদ, মগুণ লৈবা লাইনি হায়না তৌনিংদে। অদুম্না শক্তি যাওদ্রবা হকচাংনা মাগী ওইবা নহা কনাবু কনানা ইকাইখুম্নগনি? অতুনা শক্তি অসি নিংথিনা লৈনবা হোৎনবা অসি নহারোনগী ধর্ম্মনি।

লৈঙ্গুংদা লুনা চৎনা মবা তাদবা পাম্বিদি নোং-মুংশিংনা লাইনা হুম্দকপা ভুম্মি। মতৌ অতুগুম্না নহা ওইরিবৈদা শক্তি লৈতবা মী অতুগী পুন্সি অতুম্ শাবা থক্ য়ারোই। মহাক্কি হকচাং অতু মথল্ মথা অম্বাম্বা লাইনাগী মকোন শাফম্ ওইহুনা মাগী মপুন্সি তেনবা শোয়দ্রবনি। অদুনা অম্বুকা

হন্না হায়রি, শক্তি তানশিনবা অসি নহারোনগী অথোইবা ধর্ম্মনি।

থাইনগী আর্য্যখ্রিশিনা মীওইবগী পুন্সিবু শরুক মরি খান্না খাথদোক্লমা নহা ওই ভৈগী মতাং অসিদা ব্রহ্মচর্য্য ভান্না চৎননবা হায়বম্মি। ব্রহ্মচর্য্য ভাকপা হায়বদি লম-বোইযূ অমদি হকচাংগী পাঙ্গল হঙ্হনদুনা। ইন্দ্রিয়শিংবু শোম্হনা হাযবা নত্তে। মসিগী মমে-তৈননা, অহোইনবগী পাঙ্গল কন্ননবা ওৌ হায়বনি। ব্রহ্মচর্য্য ভাক্কে হায়রবদি 'বীর্য্য-ধারণ' তৌননবা হায়নগনি। অদুনা ব্রহ্ম চর্য্যগী সংজ্ঞাবু " বীর্য্য ধারণং হি ব্রহ্ম চর্য্যম' হায়না পীবি। অদুনা নহারোন্না শক্তি অসি ফংগ হায রবদি লমচৎ ফবা য়াদে। লমচৎ ফননবগী অথোইবা পাম্বৈদি ইন্দ্রিয় খুদুম চনবনি। ইন্দ্রিয় খুদুম চনবা ভাংগে হায়রবদি ফত্তবা সঙ্গ থাদোক্কনি। করিবু ফত্তবা সঙ্গ কৌগদগে? ফত্তবা সঙ্গ হাযবদি মী ফত্তবা তিন্নবা হাযবতা নত্তে, লাই ফত্তবা য়েংবা, লাইরিক ফত্তবা পাবা রাগাং ফত্তবা তাবা,— পুন্নমক্ অসি ফত্তবা সঙ্গগী মচুং চল্লি। অদুনা নহারোন্না অযবা লমচৎ লৈননবা হাযরিবা পুন্নমক অসি থাদোক্কদবনি।

নহারোনগী অথোইবা লক্ষণ অমদি 'আশা' লৈবা হায়বসিনি। অহল্ অমনা ভত্তুনা অসুম্না হায,— ' ঐগীদি পুন্সি লোইশিল্লক্লবনি, ঐনা হৌজিক কবিবু আশা তৌরু-খিনি?" কয়া নিংবা কাইবগী ৱাফম'না ' মী ওইবা অসি আশা চাদুনা হিংবা জীবনি। জীব অতৈনা নোম্-থোংলি, মশা মশাগী হৌজিক হৌজিক্তী ইন্দ্রিয়গী ষাবিশিং মেন্ননবা।

তৌইগুম্বম্ন, তাইব মীনা নোম খাংপদি অয়াম্বা মতমদা আশাগী দাবি থুংননবনি। মতাং অসিমদস্তু মীগা শাগা খেন্নে। কলগী মশক ওইববা মীংইবগী হকচাংবু লেং খোৎহল্লন্দুনা চালাইরিবদি অযাম্বা মতমদা আশানানি। হন্নাংবা আদর্শ অমা মাওংদা থাদুনা য়েখাই থিঙ্গাইবা পূন্নমক থৌশাদনা আদর্শ অদু যংনবগী আশাদা মীংইবনা হোৎনজ্রবদা, নিংদুনা লৈবগী অর্থ লৈতে।

নহাবোলবু জাতিগী অথোইবা শক্তিনি হায়নবিবসি অতৈ কম্নিগীম্ব নাত্তে, নহাবোলনা থিংবা য়াদ্রবা অকংবা ভাব বাজ্যদা তাংদুনা হুংঙাইনবা মঙ্ কযা মঙঙনা, আশাগী ঈপাক্তা তাওদুনা চৎলিঙ মতংদা পুস্নিগী অবা-অনা, অকি অথংগী য়াথম্না কর্ম্মক্ষেত্রদা চো শিল্পকপা মতমদা মাথাইবু নিংবা ঙমদ, অদুনা চাওখৎপা পাম্বা তাইবংদা নহাবোলগী ওবা না মযম লৈরিবনি।

‘অমম্বনি হায়না নিঙ্গুন মতৈ অমস্তুং লান তানগনি’ হায়বা নিংথিবা পাওবৌনি। নহাৎবান্দদি মসি পাশাবৌ নত্তে, মশাগা কোম্নক্ষবনা, মশাগী শইবা ধর্ম্মনি। মতাং অসিদা ‘ধর্ম্ম’ হায়বদি ‘প্রকৃতি’ হায়বনি। মখোইদা শিবগী য়াথল্ চংদে। মখোইবু শিবগী য়াথল খন্নবা তম্বিবদি মশাগী প্রকৃতিগা ঙম্ন তৈনবনি, অদুনা পাপনি।

অম্নাবদি ঐখোযগী মনিপুরী সাহিত্যদা তরুণ সাহিত্য হায়বদি নহাম্মালগী প্রকৃতিগা চুনবা সাহিত্য য়াম্না য়াৎলি।

নহা'রোল শেমগৎকে হায়রবদি নিংবা তরুা সাহিত্য থোই-দোক্না দরকারনি।

থৌনাফবা, কিদবা অমহুং মশাবু থাজবগা লোয়ননা মশাগী শক্তিগী মথক্তা মশাবু ননবা হাযবা অসিনু নহা'রোল্গী প্রকৃতিনি। মী অমা ওইনা, জাতি অমা ওইনা,—কিগনবা-গী পৃথিবীদা মকম লৈ'ত। পৃথিবী অসি থৌনা ফবশিংগীনি। মশাবু মশানা থাজবগা কোন্নরা অখাঙ-কন্না, শিংবা য়াদবা থৌনাগা লোয়ননা তনো নোংনা সংসাব অসি জয় তৌ-গদবনি। মসি নহা'বান্গী মাখোনি।

হে মনিপুরগী নহারোল, ('মনিপুরগী' হায় হাযহুনা অচপ্পা রাখলগী দোষ পীগনু) অবাংবা আদর্শ মাঙদা থাংনা ইশৈদা, সাহিত্যদা, ক থোংপদা, মহুয তৌদা চা দম্নিঙই লৈংবা নগুণ উত্তনা ইম্ফাল তুরেলগী লৈ'ঙোইগা, ইরিল তুরেলগী লৈতানগনা অনৌবা তাজমহল শাগৎলু। ন'খাইগী চিবসম্ভুবু এরনা খুরমজবি।

"মীগী শক্তি"

"তাইব, মীনা নিংলবদি স্বর্গগী লাই ওইবা ঙম্মি, অহুগা মানা নিংলবদি, অম'রাম্দা নরোকি তীল ওইবম্নু ঙম্মি"

তাইবং মীগী শক্তি অনীনি,— অমনা মাবু স্বর্গগী অরাংবা থাক্ তাম্না চিংংখ্পা লাক্লরি, অতুগা অতোপ্পা অমুনা, ছম-থেননা, মাবু দুষ্টচরবা নখোক্ তাম্না চিংথগদবগী হোৎনরি, অমনা মাবু স্বর্গগী লাই ওইহনগদবগী, অহুগা অতোপ্পা অনীশুবা শক্তি অসিমনা মাবু নখোক্কি তীল ওইহনগদ-বগী লাক্লরি। তাইবং মী অমমম অসি যুদ্ধক্ষেত্র অমমম্নি। ক্ষেত্র অসিদা শক্তি অনী অসিনা অতেং থখম্ নাইদনা লান্থেংনরি। শক্তি অনী অসিগী মমিংদি অমনা আধ্যাত্মিক শক্তি কৌই, অতুগা অতোপ্পা অমুনা পাশবিক নত্রগা আসুরিক শক্তি কৌই। শক্তি অনী অসিগী মশক খঙ্খিনি।

আধ্যাত্মিক শক্তি:— শক্তি অসি তাইবং মীগী ভাবনা লাইতনা চেংবনি হায়না লৌবদগী মসিবু দৈবিক শক্তিশু কৌই। তাইবং মীগী মশাদা ঐশ্বরিক শক্তিগী মরিক অমত্তু চংবা অদু মশানা খঙ্জে অমসুং শক্তি অসিনা অনুপ্রাণিত ওইরনা, শক্তি অসিনা ইল্লকপা অদুগী মাইকৈদা চুম্না চৎপা ঙম্বা নত্রগা হৈনখিবা মতমদা মীওইবনা ইন্দ্র থুহুম্ চন্দুনা তাচুম্বা, অথবা লম্বিদা চৎলি। মতম অসিদা মী অদু সাত্ত্বিক গুণনা লৈতেংলে, মাগী মশাদা দৈবিক গুণতনা লম্লবনি। অসিগুম্বা মী অদুবু মী-লাই কৌবা য়ারবনি। অসিগুম্বা মীগী মশাদা কলঙ্ক য়েংখিবা লৈতে, তাইবংগী মঙ্গলনা মাগী মঙ্গলনি। মশাগী ভাইহাক ভাইনাক্কি শুংডাইবা লিদে, ইঙ্গি পেম্বা তৌবনা মানা তৌবা কক্লিগুম্বা থবক্কী উদ্দেশ্য নত্তে।

শানা পুন্নাশগা অথ মুগা শঙ্ই। অহুন অচুম্বগী দমক মথরাই হৎপদা হাপ্লংদে। দখিগী মুনিগুম্বা মতম্ পুম্নমক্তা অচুম্বা লিংখৎলবা, অরাংবা নমুখনবা মথরাই কংনবগী দমক শেম্-শাহনা লৈ।

অতোপ্পা শক্তি অহুমনা পাশবিক্ শক্তি নত্রগা আসুরিক শক্তি হায়রিবা অহুনি। অহুম্বা শক্তি অসি শাশিংদা অমদি তমখিব, হিংচা-য়াইতম্বা মীদা লৈ। শাশিংনা ইন্দ্রিগী মথা পোন্দুনা, ইন্দ্রিগী সেবাতদা লুপ্পবা পুন্শি লেপ্লি, অহুনা শক্তি অসিবু পাশবিক শক্তি কৌই। বরিগুম্বা অরানবা আদর্শ অমনা লগঙ্গিং ওইনা লেনবা পুন্শি নত্তবা, কল্লক্ য়েংখিবা মীপুংশি শঙদবা, তম্খিবা মচৎনা মাগী ওইবা মীশিংবু হিংচাবা কৌই। মাগী ঙাইঙাক ঙাইহাক্তি ওইবা, ইন্দ্রিপেল্পবা থবক পাংথোরবা, জগৎ মালবম্ হাপ্লেদনা শিজিন্নরিবা শক্তি অহু আসুরিক শক্তিনি, মাগী মচা অহু হিংচা-য়াইতম্বগী মচংনি।

তাংবং মী অমমম্না যুদ্ধক্ষেত্র আমমম্ ওইদুনা শক্তি অনী অশিনা তহনা লাল থেংনংকপদা অমনা অমুক্ ঙম্, অহুদগী অতোপ্পা অমনা অমুক্ ঙম্,—অহুম্না মীওইবগী পুন্শি শাগৎলি। অমনা পুম্ঙম্ ঙম্হনা অতোপ্পানা মপুং ফানা হাত্তোকপদি তাইবংদা ওইদে, মতম কুইনা হাম্বগী মংদা মরাই কাখৎ-হন্দনা নমখত্রনা থম্বা ওইনা তৌগ। কনাগুম্বা মী অমনা কবি-গুম্বা ফজবা থবক্ অমা তৌবা চুম্ব। নত্রগা চুম্দত্রা হায়না মঙল্ মঙল্ খল্লকই; মাগী ইন্দ্রিপেল্পবা থবক্ অহু মানা তৌনিংই,

হৌমবোমদনা মাগী নীতি জ্ঞান অকুপা মাহু তৌবা মুক্তুম হায়না মাবু থবক্ অমু তৌদনবা তাক্লি। অদুবা মী অমা মচক্তা শক্তি অনী অসিনা লাকি। অনীগী মরক্তা অমনা শোয়দনা হুমগনি, ওয়দনা তোকৃপা হায়বা লৈতে। মখমদি মী অমুনা ইন্দ্রি লেম্মনবা থবক্ অদু শোয়দনা তৌগনি, নত্রগা, মাগী নীতি জ্ঞাননা মাবু থবক অদু তৌহল্লোই। অদুনা শক্তি অনী অসিগী হৌমগী জয়দি শোয়ত্রবনি।

তাইবং মী পুম্মক্না পুন্সিদা স্বর্গগী কৈরাক কাখৎনবকৃপদা শক্তি অনী অসিগী মরক্তা অমনা অমবু ওম্বগী চাং মাং ইম্না কাখৎপগী অনেক্-অরাঙ্গী চাংমু লেপ্পি। পাশবিক শক্তিনা নম্মাঙ্গনা পুন্শিদা শাগী মচক্তগী হেন্দনা ইন্দ্রিগী সেবাতদা লুপ্তনা লৈরবা, নত্রগা কল্লক্-য়েংখিবা মীশুংশি থক্দবা হুম্খিবা মচৎনা মাগী ওইরবা মী অমুনা কৈরাক্ অসিগী মখোঙ্দা নয়োক্কি পুক্সি লেপ্লি। অদুবা লাইরিক্ পাত্রনা, অদুবা মীতগা তিন্নত্রনা, ইন্দ্রি খুত্থম চম্মনবা শাক্তেন্ কয়া ওত্থনা তৌহল্লো, মশাগী অমাংবা নৈয়ায়িক জ্ঞাননা শৌগৎপা বিবেক অমসুং নীতি জ্ঞাননা তাকপা থবক্তা তৌত্থনা সংসারগী রাই-কনবতা তৌহন্না পুন্সি লেনবা মীশিংনা কৈরাক্ অসিগী অমাংবা থাক্ তাঙ্গা হাইগত্থনা লাইগী পুন্সি লেপ্লি। মী মথল্ অনী অসিগী মরক্তা সাধারণ ওইবা মীচম্ কয়া কয়া, খরা রাপনা হাইগৎপা, খরা নেম্বা থাক্তা লৈরা মী মথল কয়া হুমহু,— মী মথল্ মখাদু অসিনা,—সংসার অমিদা

লৈনরি। সুংঙাইরিবদি, অনিংবা, অপাম্বা লখা কয়ান। তেরা মকোল্লুম হুমৎহনা পুম্নিবা তাইবং মীনা খঙ্বা, তৈবা অমসুং হৈনবগী চাং অমত্তা মাম্নদবনা, অমদি ভাবকি শক্তি, রাখলগী শক্তি মীগা মীগা অমত্তা মাম্নদবনা অমসুং তোঙঙান তাঙ্ঙান্বা পবিবেষ্টনীগী মথাদা য়োক্খংলক্পা ওইবনা তাইবং মী পুম্নমক অসি নরোক্কী স্বর্গ তাম্না থাবিবা কৈরাক্ অসিদা লেপ্পবদা থাক অমত্তা তিন্নদে। থাঙ্গৈম ক্শেংনা অম্মুম্বা কৈরাক্ অমা লৈত্রবসু তাইবং মী পুম্নমক্ অসিগী মশা মশাদা লৈরিবা দৈবিক অমসু, আসুরিক শক্তি অসি চাং অমত্তা মাম্নদে হায়রবনি।

মীগা মীগগী মরক্তা শক্তি তনী তসিগী চাং থেম্নবা লৈবত্তসু নত্তনা, মী মশা অমদা শক্তি অসি মতম্ পুম্নমক্তা চাং অমত্তদা লৈবা নত্তে। অয়ুক্না আধ্যাত্মিক শক্তিনা নম্না লৈ, অতুগা কনানা খঙ্বা, সুংদাংদনা পাশবিক শক্তিনা নম্থত্তুনা লৈবা যাই। হৌজিক্না লাইনি, হোৎনম্না ইন্দ্রি ময়ামগী অত্যাচারনা খাঙ্বা ওম্দহনা, মানা শাগী চিং চংলি। মী অমা ওসি লাইগী মচং চংপা য়াই, অতুগা হায়রংনা শাগী শাজং চংথিবা তত্তনা থেংনদবা নত্তে।

'নং শানি', হায়রক্লবদি মীনা শাওই। অতুবু শাগী শরুক্তা নম্বা মীদি অত্তাংবা নত্তে। শানা শাগী শাজং চংপদি হৌনশানি। মাতুদা শাওরুক্ম থোক্কে। কৈনা মী হাৎপবু, কৈ অতুবু মী হাৎলি হায়হনা পাপ পুণ্যগী রাকম্ মাত্তোন্দা নম্শিল্লবা

য়াবা হৌনদে। কবিনা হাযববু থবক অতুদগী তোঙবা মাগী রাখল নৌত, শক্তি লৈতে, অতুবু তাইবংমীনা শাগী মচৎ চৎপদি অরাবনি। মবমদি —— তাইবং মীবু 'মতু হৌদবা ম'খাঙ্ অনী পানবা শানি' হায়বগতা তোকপা যাদে। জীব পুন্নমক্তী মসুংদা অথোইবা তাইবং মীনি। তাইবং মীগী রাখল থন্নবা শক্তি লৈ, মতুনা মানা থবক্তি অচুম অরান খঙ্দোক-খঙ্গিন তৌবা ঙম্মী। শক্তি অসি লৈ হায়বগীদমক মহাক্না জীব অতৈগী মথক্তা লৈবিবনি। অতুদা অরাবদি তাইবং মীনা শক্তি অসি চপ্ চানা থক্ শিজিন্নদে। অনিংবা অপাম্বা, হৈনবা, হৈনদবা অমসুং পোক্পদগী কোম্নবক্লবা সংস্কার কয়ানা অমদি, মনুংগী অমসুং মপানগী হেক্লবা কয়ানা তকনবা ঈথিন ঈবৈগী ম'তৌগুম্না তাইবংমী কযাবু কাংশি পুবগুম্ পুদুনা চৎলি। মতম অমদা তাইবংমী অসি তৌথম খঙ্দ্রবা তোল্লবা জীব অমগুম্না উই, মতম অমদা মহাক্ অসি গতি লৈজদ্রবা, 'সাটান'না খুদুম চনখ্রবা প্রজানি। মসিদা অমুক মবোইরমতুনা মথা তাংনা মশাবু কঙ্গনবা শক্তি অমা লৈরমদ্রবদি তাইবংমী অসি শাদগী যাম্না হেন্না তোনবা জীব অমা ওইবমগদবনি। মাবু 'মতু হৌদবা ম'খাঙ অনী পানবা শা" হায়বদা থোইদাক্না চুম্মগনি।

অতুবু তাইবংমীদি মসিদি নত্তে। হৌখ্রবা তাইবংমীগী ইতিহাসতা লাইগী শরুক্না নম্নবা মী কয়া কয়াগী পুনশিগী রারি খোংখাইনা থঙই'। অদুমক্তসু নত্তে হৌজিকসু, এখাইগী

হাত্তক অসিদস্থ অসিগুম্বা মী কয়া অম ঐখোইনা খঙ্‌ডি। মখোইগী পুনশিনা সংসার সমুদ্র অসিদা শোল্লবা হিগুম তাওথ রিবা তাইব, মী কয়াদা অশাংবা লৈতনা অচুম্বা হিরম্ তাক্‌পিরি। তাকপদা লৌবা হৈবা, লৌব ঙম্বা কয়ানা অচুম্বা পুনশি লেন্দুনা লাইগী খুবম তাম্লবি। 'সাটান'গী থৌইনশিন্দগী স্বর্গদগী তাম্থোক্লক্লবস্থ, তাইবং মী অসি ঈশ্বরনা পু ইন ইম্থাক্লবা মনাইদি নত্তে। লৈশেমবৈদগী মপ-মপূনা মৎং মথং চিংলকপা বৃত্তদগী তেন্না চাৎবা বৃত্ত অমা চিংবা ঙমদ্রবা শাগী সংসাব অসিমক্তি তাইবংমীগীদি নত্তে। মতম খরতা ঙইরবস্থু ই'ডন্ গার্ডেণ'দা লৈমিন্নরক্লে হায়হ্না তৌব্রা, —যনা কুশিবিরুম্মাল্লে, মাগী শক্তিগী মবিক্ অমং পীন-বিহুনা মর্ত্তদা তাম্থোক্লক্পনি।

মপান নাইদবা শক্তিনা মাগী ওইবা ঈশ্বরগী শক্তিগী মরিক্ অড যনা পিক্তুনম্ম ঙমখৈ'মুদা লৈহুনস্থু, মাগী ওইবা যাবা শক্তিদি ঙমখৈ নাইদে। মরিক্ অসিগী চাং কনানা ওনগনি? কয়ম্বা খলদা ওনগনি? শক্তি অসিগী চাংগী অবেপ্পা খঙ্‌দ্রবস্থ, মসিগী ওম্ন তৈনবা শক্তি অতোপ্পা অমা তাইব, মীদা পানশিনবিহুনা অহানবা অসি সীমীবদ্ধ ওইহল্লি, খমথেংবা মতিং ফুদোকপদা তপন্বা পীরি, অদুদগী হেন্দোক্কনা মশানা মশাবু মশক্ যাৎবা খঙহন্দনা অকোনবা অসিনা নঙ্খৎ-খিবস্থ কোঙ্গাইনি। তাইবং মী ওইনা হিংবগী মুংঙাইবস্থ শক্তি অনী অসিগী থেঙ্গাইনবা অসিদা লৈরবনি। শক্তি অনী অসিগী

মমুংদা অমনা অমবু তাইবং মী পুংমক্তা মান্নদবা চাংদা নক্কং-পগী, জয় তৌথিবগী মতুং ইন্না মী অমনা অতোপ্পা পুম্নমক্কগী খেন্নবা ওইবি। হায়বদি মী অমগী মশাদা শক্তি অনী ওসিগী ফুদোক্পগী চাং অসু অতোপ্পা মী পুম্নমক্কগী খেন্নে। অদুনা স্বর্গগী সিডি কামিন্নবদা মী পুম্নমক্ অসি মোক্ষম ওইন্নদে।

তত্তনা হোৎনদুনা, রাথল তৌবা, অমমুং অফবা সঙ্গ ওইন্দবা, পুম্নমক্ অসিনা মমুংগী ওমদুং মপান্গী যম্নবা থিবিক্পু চ্যেক্শিন্না জয় তৌননবা হোৎনদুনা আধ্যাত্মিক পুন্শিদা তপ্পা তপ্পা চশিন্নবা মীওইবগী পুন্শিগী অর্থনি। ইন্দ্রিগী মথা পোন্দুনা শাগী পুনশিত্তা লেম্বনদি হিংবগী উদ্দেশ্য পাংথোক্পা য়াদে, হিংবগী অর্থসু যাওদ্রবনি। পাশবিক শক্তিনা মিকুপ্ খুদিংগী মরাই থাইগৎকে হোৎনরক্পদা, মাদুবু আধ্যাত্মিক শক্তি অসিনা নমথনবা হোৎনরকপা, মাদুদা মীওইবগী পন্-শিগী মুঙ্ঙাইবনি, মীওইবগী পুনশি হায়বসু মাদুনি।

শক্তি অসিনা মীওইবগী পুন্সিদা 'ওমংত্বগী ভাব পোক্হন্দুনা হিংদুনা লৈন্নিবা পুনশি অদুগী রাংমদা লাক্কদবা অনোবা পুনশি অমগী কাওবগী য়েংশিন্না থবক্ তৌনরি। শক্তি অসিনা মীওইবগী পুন্সিংদা অচুম্-অরানগী রাগম্না থোরক্পা থোদোক্কি থল্ ওন্বা ওমি। শক্তি অসিনা ইন্শিন্দুনা শ্রীরামচন্দ্রনা, পাণ্ডব-মচানা-সিংহাসন অমসুং মবৈবাক থাদোক্নুনা চহী কয়া বন্দা চেন্খি, মহাত্মা সোক্রেটিশনা নোংনা নোক্না হূথক্নুনা শক্তি অসিগী তৌবক্নম্ ওইবা আত্মাগী অমরত্বগী প্রমান পীনবা

হোৎলম্মি। শক্তি অসিবু মশক্ হেক্ খঙ্ লা মথৎ ভাক্তা চৎপদা মী অহু লাই ওইরবনি, মাঙ্ ্লবা 'ইডেন গার্ডেন' অমুক্ হঞ্জিন্না মানা ফংলবনি। মহাক্ অহু পুন্নশিগী অমম্বা অহিং ৱাংমা লাক্লদুনা অঙানবদা খোংদাপ্রবনি।

মহাত্মা গান্ধীনা ব্রন্দাবন লেঙ্ বা

ভারতনা স্বরাজ ফংঙ্রিঠৈগী মমাঙ্ নি। মাগী অথোইবা মিংচৎনা ভারত তুনা ফাওববা গান্ধিনা ব্রন্দাবন্দা লেঙ্ওক্লনি হায়বা তাবদা করাগ চাওরবা কামদাবশিংনা থোইদোক্লা লাংতক্লাম্রে। মতৌ করম্ হায়না মশা মশাগী আখারাদা থুং হন্ নশিগে হায়না মথোই থুদিংনা খঙ্লি। মসিগীদমক্ মথল্ মথা অযাম্বা লৌশিং তৌনখি।

ধর্মগী রাখন্দগী মহাত্মানা তীর্থ লেঙ্ বা নত্তে। থাজবা, হৈনবা, হৈনদবা, সংস্কার অমসুং ঐতিহ্য ইজিন্ তিম্নদবা অমসুং লোল্ মথল্ কয়া লোনবা তোঙান তোঙানবা মী ফুরুপ্ কয়ানা খুন্দাবা, লরাই লাখ তরেৎ লৈবা ভারতপু শেম্গৎকে হিংবা মীনা ভারত শীম্ব ্লনা কোয়হনা তোঙান তোঙানবা মী মথল্ কয়া অসিবু তম্দনফি মানা নিংবা অহু কৈদৌঙৈদসু থুংলোই হায়বসি মহাত্মানা খঙ্ খি। অহুনা মথং মথং ভারত শীম্ব ্লনা কোয়রক্পদগী ওসি মহাত্মানা বৃন্দাবন যৌরক্লে।

বৃন্দাবন, হিন্দুশিংগী, থোইদোক্লা,— বৈষ্ণবহিন্দুগী অংেইবা তীর্থনি। অদুনা মসিবু শ্রীধাম (অথোইবা মফম্) হায়রগনু খঙ্‌লৈ, মসি মাগী অতোপ্পা মমিংনি।

মহাত্মা মথুরা ষ্টেশনদা থুগুরে। লরাইমক্তি হায়রবদু মথুরা অচৌবা সহর নত্তে। ষ্টেশন মচা অমগী থরা হৌনবা লিন-থোংবদগী হেন্না অচুক্ কনা লাং-থাংপা মফমদি নত্তে। অদুবু ঙসিদি ষ্টেশন অসি মীনা থল্লে, মীগী সমুদ্র ওল্লে। মহাত্মাগী দর্শন অমুক্তং ফংহৌনবা হায়দুনা, কনানা ভক্তিগী মথক্তা, কনা অমনা মতম কুইনা ৫৫ নৈবিববা ম'খাই মশাবু কনবিনবা হোৎনবদা মপুন্‌শি কৎলবা নিপা অসিবু উনিংবগী খোরাংবদগী মাইল্ য়াথৈ, চামা, অচুদগী হেন্‌বা ম মদগী ফাওবা মাঙজোন। লাক্রুনা মথুবা অমংং নক্লবা খুল্ পুন্ন-মক হায়না ী। থম্না থম্না লৈনখ্রবনি।

বৃন্দাবন্দগী কামদারশিংসু মাঙজোননা মফম্ অসিদা লাক্রুনা মাবু ঙাইহৃনা লৈরম্মি। ম'খাইনা মহাত্মাবু অচৌবা মী অমনি হায়না হায়রা তাই। তৌইগুম্বদুং মথোইনা খঙ্‌বদদি অচৌবগী অর্থ অসি 'ইনাক্‌খুনবা' হায়বনি হায়রবা অাসদগী হেন্না তৈত্তে অনা খঙবা লৈংমদ। নিংথৌশিংনা অমদি ইনাক্‌খুনবশিংনা তীর্থ চৎপদা শেল্ য়াম্না দান তৌবা অমসুং লাইদা কৎপা অদু ফংনিংবদগী,—গান্ধিসু অচৌবা ইনাক্‌খুনবা অমগী হৌনবা সুপা য়াম্না ক-রবনি, মাদু ফংনিংবদগী,—করাম চাওবা, মিহৌ চাওবা রাথস্তদগী ঙসি কামদারশিংনা মহাত্মাবু মশা

মশাগী মাখাবাদা পুশিন্নিংবনি। মহাত্মা মশামক্তি কন্নাগুম্বা কামদার অমগীদা মথুঙতুংগে হায়বা অয়েপ্পা লৈংমদে। মহাত্মানা পুং খরতা ওইববসু পন্গদবা মফম্দা মাগী সেক্রেটরিন-চিংবনা য়ুমথুংফম্ হায়না শীন্নুনা থম্বা ওক্লি। অহুবু বৃন্দাবনগী কামগারশিংগী মথুঙগী মহাত্মা অসি ফাংবা নাপ্পোকপা ওম্-খিত্রে। শেল খরা ফংগনি হাযবা অহুগী আশাদগী ইকাই ইকি খঙদনা কামদার অমনা কপ্পাওবংখৈ কন্না হায়মন্নবা অহুদদি মহাত্মাগী লোইন্-ময়ামদি শাইরহুনা মহাত্মা ফাওবা মাগীদা থুংবনা চুম্বা হায়না খন্খ্রে। মমৈদা মাগীদা থুংবা মতাগ্রে। মতম্ খরতগী ওইববসু,—অতৈ অতৈ কামদারগী কল্লকপা পোকহন্না,— কামদার অসিগী নিংবা থুংজখি।

নোংমা-নিনি শ্রীধামদা লৈবে। শ্রীবামদা ফংবা অথোইবা চিঙ্গাক্ কামদার অসিনা মহাত্মাদা কংশি, মহাত্মানা লৌ-দে। মতম অহুদা ভারতকি লাইরবা প্রজা অয়াম্বনা শেংচাবদা থোইদোক্না মনিংথুংদরা, অতোন্বা শিবম্দা লৈবা অহু উবদগী মহাত্মানা করিগুম্বদা খুড মখা চোম্বনা ফি শেং-খিদে। ফি মচা অমনা কৌপিন্-শেত্তুনা ইকাইবা ওাক্লে। অহুগা চাবদসু নোংমদা পৈশা তরুক্না লৈবা ফংবা পোত্তগী হেন্না চারম্দে। মহাত্মাবু থোইদোক্না অচৌবা মী অমনি হায়হুনা কামদার অহুনা অংক অমৌগী পোৎ মখল্ কয়া অমসু পুরক্লুনা মুখগী লৈত্তেংগী শেম্ শাবা অমদি মহাত্মাগী মুক্তিগী শিজীন্নবনি হায়হুনা হোৎনবা পুন্নমক্ অদুদা মহা-

মানা ইংথৌ-খোঁশাংনা তৌবা মওং অদু উবদা মাগী থৌ-ইং-
দোন্না নিংবা কাঁয়বা অমা ওইয়ে।

অদুন্ তৌনা তৌনা নোংমা-নিনি অদু হৌখ্র। গান্ধিজীনা
বৃন্দাবন থাদোক্তুনা লেণ্ডখিবা তারে। মতম্ অদিদা কামদার
অদু থোইদোরা লাংতন্নবা হৌরক্ল। "ভারতকী মচুংদা
খ্বাইদগী হেন্না চাওবা মীনি হায়নৈংকা। লুপা কয়াবু কৎকম্
পদৌরিবনে।" — অদুম্না কামদার অনা গান্ধিজীনা কংকদৌবা
শেল্গী মরম্দা মণ্ডল্ মণ্ডল্ থম্লম্মি। চৎলম্দাই হৌরক্লে। অদু
ফাওবা শেল্ কৎপগী রা কনা'অস্তুনা পৌ দারক্লে। কামদারগী
মথরাই অদু থোই দাকা নিঙ্গিং মাংজি নথ'র, মাংকু রাবে,
অদুগা তৌৎমুদি খঙ্ঙে। মমৈদা অথোরা অদু থাদোক্তুনা
গান্ধিজী লেংথোক্লক্ল। অদু ফাওবা মহাত্মানা পৈশা ওমত্তা
ফাওবা কৎত্রে। কামদার অঃ ঙাওবে। মহাত্মাদা অমুক থেংঙৈ,
লোইন-পাইন য়াওবিবশি, অদুদা অমুক যেংঙৈ, অদুবু কনা-
মত্তনম্ পৈশা অমতুং কৎপদি চায়রুগ, পনবা ফাংবা পমখিদ্রে।

মতাং অসিরাইদদি কামদার অদু লৈবা যারক্তে ইকাই
— ইকি হুদ্দোকখ্রে। মহৌশানম্ম মথাউ অসিগী মীওা অসিনা
পৈশাতবু ফংগনি চাযরবদি ইকাইনগী রাযম্দি থাম্মা থম্-
গল্লি। মবাল্ — মখি থাইরম্মা হায়রকই, — "মহাত্মানা নোংমা
— নিনি আখান্না অসিদা লৈবিরম্বা অসিগীনমক ঐগী ইষ্টদেব
অসিদা লুপা কয়া কৎপিরম্পদৌরিব না?" গান্ধিজি ওসিত্তা
ভাব তারে। মহাল্ মখ কামদার অদুনা মাবু মামা লুপা

যৌহুনা মমুমদা লৈহনবগী অর্থ ওন্দিতা খঙদি। মহাক্না লোকমি লোক্মি তৌরম্লনা কাম্‌দার অমুদা হায়রক্‌ই, -"মরূপ্ ঐদি খোইদোক্‌না লাইরবা মীনি। নূপা - শংবা কৎননবা লৈজবা মী নত্তে। কয়ম্ তৌনি? ঐগী উপায় লৈত্রে।" মাহু তাবদা কাম্‌দার শাওরক্ক, অস্নুমা হায়রক্‌ই, "ঐ ইশাগী 'ঙংহনা হায়বা নত্তে। হাক্কী ইহলোক, পরলোক অনীমক্ মাঙ্‌বা তারে হায়মহনা, নংগীতা খন্দুনা হায়বিবনি। অহুনা ইকৎ-কক্তবদি ফত্তে, নহাক্কা ঙম্‌ম্বা খয়তা ওইববস্নু কচ্চরম্মু।' অনৌবা মঙংগী খোস্থোক্ তাবদা অমহুং ব্যবহার উবদা মহাত্মা হায়খেত্তং নোক্‌ই, অদুগা হায়রক্‌ই,- 'কামদার সাহেব, ঐদি খোইদোরা লাইরৈ হায়রিবশিনি, অদুবু নংনা কত্তবা য়াদে মহায়বতনিনা পাই অনিমহুং কৎলগাকা।" অসি হায়রহনা পাই হমা পুখোক্কুনা মঙোন্দা পীরে। কাম্‌দার মতাং অসিদদি শাওবনা ফি, ফি কাম্‌খ্রে। পাই অদু মানা লৌ হায়বা যাত্রে, মহাত্মারোমদ' লাক্কুনা লংশিল্লক্লে, নং মপোক্ কযা নয়োক্ তাহুনা অরবা ফংলমগনি,' — হাযনা হায়রকই অদুদগী মানা শাওনা, মমিং খান। মহাত্মা-রোম্‌দা য়েংলম্লগা অদুম্ মচৎত্রে। মহাত্মানা ঙংশাস্বর মপি অমা শাংনা হোল্লগা, - 'নংনা পাই অমা মাঙ্‌বা, অদুগা ঐনা পাই অমা তাংবা,"— অসি হায়হনা পাই অদু খুজিন্দুনা থম্‌খ্রে।

ভাইহাক্ লৈরগা কাম্‌দার অদু তমা হল্লক্লে। শাওবদি হন্ত্রি: হায়রকই,—"কদাই, পাই অদু পীরো। ঐনা মহু

লৌক্লবদি নং মাঙ্‌বা তারে ; মপোক্ কয়া নুমোক্তগী কাব। ফুরয়োই।" মহাক্লানা স্তুংশাম্বর মপি অমা শংনা হোৎলগা পাই অহূ লৌথোক্লুনা মঙোম্দা পীরে। কাম্‌দার অহ্না মাঙু লৌরগা চৌহ্না চেন্‌খ্রে।

হন্দক্কি খোংচৎ অসিদগী ফংবা অভিজ্ঞতাদগী মহাক্লানা ভারতকী তীর্থস্থানশিংগী মরম্‌দা অস্তুমস্ তু হায়খি,—“মমাংদ্রৈদদি থাজৈমক শেংনা ভক্তিগী ভাব লৈবা মীতনা মুক্তিগী আশা তদনা তীর্থ চৎনরমি। অদুবু হৌজিক্তি বিজ্ঞানগী মতেংনা রেল্‌গাড়ীনচিংবা হৌদোক্লৈদগী চখোক্‌-চৎশিনগী খুদোং-চাব। অসি থোইদোক্না হেক্কৎলক্‌পা মরমদগী ধর্ম্মগী রাখল্ ইয়াও য়াওদনা কনানা উৎশিংবদগী, অদুগা কনা অমনা তীর্থ মফমশিং তসিদা মশা মশাগী ইন্দ্রিগী পেন্নবগী মনিং থুংজনবা অবাইবা খুদোং ফংই হায়বগী দমক্তা তীর্থ চৎনবা মী য়ামা য়াওনরক্লে। অদুনা অরাবদি—তীর্থস্থানশিং অসি ফত্ত-মচৎ চৎনবগী কেন্দ্রস্থান্ ওইরক্লে। অম্বি শোং, অতৈ অতৈ চখাক্‌-চৎশিনগী খুদোংচাবা লৈত্রিদ্রৈদদি মফমশিং অসি থোইদোক্না পবি স্থান ওইরম্বনি, অদুবু হৌজিক্তি মচৎ ফত্তবা মীশিংগী তুংনফম্ ওইরক্লগুনা মফমশিং অসিগী পবিত্রতা অদু য়ামা মাঙ্‌থক্লে।”

(Young Indiya' - দগী)

মতম্ শিজিন্নবা

পৃথিবীদা তাইবংনা লাইপোক্নি হায়নবা কনাগুম্বগী জীবনী পাবদা ঐখোইনা ইরাই-লাইনা থঙ্ ভি মাথুদি মানা লাই পোক্ ওইরক্লিবদা মতম্ নিংথিনা শিজিন্নবদগীনি। মতম নিংথিনা শিজিন্নবনা মানা লাইপোক্ ওইবরা, নত্রগা, মানা লাইপোক্ ওইবনা মতম্ নিংথিনা শিজিন্নবরা ? হাংং অসি কয়া মথোংহল্লে। সৃষ্টিগী মরম্দা মরুম্না হান্না শেম্বা, নত্রগা, মপীনা হান্না শেম্বা হায়বগুম্বনি। মতম্ নিংথিনা শিজিন্নবনা মাবু লাই পাক্ ওইহন্বনি হায়বমক্ হান্ননিংঙ্গবশু, মসিনা মাগী লাইপোক্তি গুণশিং ফুংদোক্পা ঙম্বনি হায়বদি শায়গ্রবনি। মতম্বু নিংথিনা শিজিন্নদনা পৃথিবীদা কনানা করম্বা শিংথাবা য়াবা থবক্ পাংথোক্নবগে ? অনী অসি থাদোক্নবা য়াদবা গুণনি। লাইপোক্ ওইবগ্ৰ গুণনি, মতম্ নিংথিনা শিজিন্নবা ঙম্বা অহুম্ গুণনি। অহুমগা অমুক্সু মথোই অসি থাদোক্নবা য়াদবা ইকোন্—কোন্নবা চংমিন্নবা গুণ ভাক্কনি। অদুনা কনাগুম্বনা লাইপোক্ করিনো হংলবদি 'মতম্ নিংথিনা শিজিন্নদুনা পুন্শি লেন্বা ঙম্বা মী অমু লাই পাক্নি' হায়না ঐখোইনা খুম্গনি।

ঐখোইনা মখোইবু সাধারণ ওইবা মীনি হায়নরিবা অমদি অহুম্গীশু হেন্না তোন্বনি হায়না লৌনরিবা মীশিং,— মখোই অসিনা মতম্বু মপা নিংথিনা শিজিন্নহুনবু করম্না 'লাইপোক্' ওইরক্পা ঙম্লদৌরিবনো ? হংবা য়াবা য়াহংনি। অদুবু

মাশিংদি রাশী মতাংদগী পোক্‌চনক্‌পগনি, মীওইবগী চরিত্র মুন্না য়েংশিনবা রাংপদগী পোক্লকপা রাহংনি। সাধারণ ওইবা মী অমত্তনা অমদি, অতো বা মীনি হায়নরিবা কনানম্বু মতম নিংথিনা শিজীন্নদবনি। মখাইগী মগা দা থাঙ্‌বা কনগী গুণ রাংলি, করিগুম্বা থবক অমত্তা শা থনা, চনিং ভাবগা লোইননা মথরাই লুপশিন্না তৌবা ওমদ। মা১ তৌদনা মখোইনা মতমবু অরেম্বদা সুকমং মাঙহনদনা নিংথিনা হেক মশি-জীন্নরবদা মখাইনা শোয়দনগী অচম্বা মী করিগুম্বদা ওইরোই, ময়ামদগী থরতা ওইরবসু হেনবা অরাংবা থাঙি মী ওইগনি। মী মীগী পন্‌শি মরেম্না অচম্বা ইমসুং অ ভানবা নম্ৰগা মীথোই—মীহেনবা, মশা মশানা শেমজবনি।

পোকপদগী কোন্নজববা গুণ অমসু মানা মানা লৈরুংবা পারিবেশনী অঙ্গী মথাদা হংলকপা শিন্নানা মীগা মীগগী মন্নুংদা থেন্নবা পুন্নকপনি হান্নবসু চুম্মি। অহুদা পরিবেশনী অমত্তগী মথাদা লৈবা ভাইবং মী মশেন্দা অম্বুক কা হেন্না খেন্নখিবদি মী মী অহুনা মতমবু শিজীন্নবদা থন্নবদগী থোকং পনা মরুনি। অচম্বনি অমসুং অত্তোন্‌বনি হায়খিবশিং অসিনা ম.থাইদগী কা হেন্না চাওখংখ্রিবা মীশিং অহুগুম্না মতম অসিবু নিংথিনা হেক মশিজীন্নরম্নবদি, খেন্নবা থন্না মরৈরবস্থ—পুন্নমক ওথাকপা মম'ম্নরমগদবনি। মীওইবগী ইতিহাসদা থ.াইদগী মীথোই—মীহেন্‌বা মীশিংগী কৌন্নহনা থ.াইবগী তোনবা মী পুন্নমকি মুনুশি অদি নিংথিনা য়েংশিনবগা চেন-

-নিঙ্কাই লৈতনা থুংগনি,—মী মী মশানা ওইরিবা, চইরিবা পুক্নিঙ অসি মশাগী য়াইকনবা শেমজনবা পাজল লৈতদ্রবগী লৈরক্লবা হাওবদা মাবু অমত্তং মা মশানা মতমবু শিজিন্নহন্দ্রিবা অমত্তং শিজিন্নজগিবা মওং মতং অহুগী অপুন্বা মহৈনি। শম্মা হায়রবদা, নংনা, ঐনা হৌজিক ওইরিবসি—ঐখোই ঈশা ইশানা হৌরবা পুন্সিগী মতম্ লেন্থিবা মরেন্ অহুগী অপুন্বা মহৈনি।

লম্মন-থুমগনবা মতম্নি। নংনা মাবু শুনা তৌরগা মানঙ্ নংবু শুনা তৌগনি হায়রবদি য়াইকনবা তৌগনি, অদুগা নংনা মাবু থিনা, থৌশাদনা তৌরবদি মানা নংবু থোইদোক্লা শাখিনা লাক্লগনি, নংনা অরা অনংগী মগুংদা কপ্পা কপ্পা পুন্সিগী মতম লেনবা শোয়ত্রবনি। মী পুম্নমক্না মতম্ হায়-বদি মশক্ অমত্তনি, মশা অমত্তনি। তুংরনগী ঈচেল্গা মতম্গী ঈচেল্গা মীনা চাংদয়ে। অত্তংপা লৈতনা চেন্থবা মংচন্থ অসি মখে মাংমে হায়রবদি য়াই অংবু মংখাই অনীগী মখো তিন্নদে। অন্তনা চেনবা ঈচেম্মা পৃথিবী লৈহাও চেন্থনম্নুনা মহৈ মরোং, লৈ-শুনা লৈংতংহল্লি। মানা চংখি চংখি মকম্দা অমত্ত ঈচেন্ পুক্না তাইবংগী খোয়াংবা কোক্হল্লি। অদুগা লম্মন্ থুমগনবী মতম্গী ঈচেল্লি মাবু শুনা নত্রগা লাইনা তৌবগী মতুং ইন্না কনাগী পুনশিবু লগংকী লৈতেং ওইনা শাংকাইহল্লি অদুগা অতোম্বা কনা তামগীনা মাগী পুনশি অদু অকিবা কংবা অকংবা মরুভূমি ওইহল্লি, হিংচনা লৈবগী মুক্তাইকম্ থও হল্লে।

মী অমা ওইনা অমদি জাতি অমা ওইনহু মতমগী শিজিন্নবা মশিজীন্না অহুগী মতুং ইন্না চাওখৎপগী থাক্তা কাগনি, নত্রগা, হন্দবা চাওখত্তবরোম্দা কুম্থখিগনি। ইংরেজিশিংনা মতম্গী মমল্ যুম্না খঙিঙ। শ্রমজীবিশিং অহু য়োনা চাইশাঙ্কং অহাংবা মতম্ ফংবদা মশাগী কোককি শক্তি হেন্‌গৎনবা অমত্তুং থঙ্ নিংবা হিরম্ কয়া হৈজিল্লহৌনবা, লাইবিক্ পাহুনা মতম্ অয়েঙ্বদা মাঙ্ হন্দে। চুমিৎ ৩৬৫ না চহী অমনি। চহী কয়া অমনা মী ওইবগী পুনশিনি। নোমদ। পুংথাই অমমম্ লাইরিক্ পাবা নত্রগা অ'তাপ্পা অ'ংবা থবক্ অমা তৌরবদা মী অমগী অশাংবা পুন্‌শিদদি অওকপা ফংবা পুন্‌শিদা কান্নবা মরম অমা পাংথোক্পা ওইগনি। পুংথাই অমবু নত্রগা মিনিট মঙা, তরাবু হায়রঙ্না নোংম নোংমগী পুন্‌শিদা মতম মাঙ্-হন্‌থিবদগী ঐখোই ইশানা ইশাবু অতোনবা মী ওইজনবা শীঙ্গরি। মতম্ মাঙ্ হনবা হায়বা অসিহু অভ্যাস অমনি। অভ্যাসনা চরিত্র শেম্মি। চরিত্র হায়রবন। মী মশা অহুনা ওইরিবা অহু হায়বনি। মতম্‌গী পীক্লবা শরুক্ খরা মাঙ্ হন্‌বা হা লংদবদগী অহুম্ অসুম্ খরা খরা শাংবা মতম মাঙ্ হন্‌বদা থৌশাগ্রক্লোই, অহুদগী মমৈদ মমৈদা নোংমা নীনী অমদি চুমিৎ কয়ানি মাঙ্ হন্‌বা ফাওবা থোশাগ্রক্লোই। তত্তনা হোৎ-নরগা চাওখৎনরিবা পুন্‌শিদা,— মী অতৈনা তত্তনা মতম্ মাঙ্ হন্দনা হোৎনরিদৈদা, ঐনা মতম্ অহু অংরবদা মাঙ্-হন্নবদি চাওখৎপগী লম্বিদা মী অৈনা ঐতোম্বগী মাংজোনবা

চংখংখিবা শোয়রবনি। শয়া হায়রবদা মতম্ নিংখিন। শিঙ্গীন্-নবা কাংবুনা চাওখংখিবা অহুপা ঐনা অতোন্‌বা, মীখা পোন্‌বা, চাওখত্তবা মী ওইহৌবা অসিতনি। মীওইবগী পুন্‌শি অসিদা চাওখংপা, চাওখত্তবা পুম্নমক্ অসি মী মশা মশানা মতমবু শিঙ্গীরবা মঙ্ অহুনা দায়িনি। চাওখংপা হাযবা অহু লাইনা স্বর্গদগী পংলং লংথরক্পদা মরাইবক্ ফবা থরনা হেক্ কংখিবা নত্তে।

মণিপুরি হায়বা ঐখোই অসে খোইদোক্না তোম্লবা মী কাংলুপ অমনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি ঐখোইনা মতমগী মমল্ খঙদবা অসিনি। ঐখোই অযাম্বানা মখল্ মখা অয়াম্বা ফমহুনা শায়বা মশান্না কয়াদা লুপ্তুনা পুনশিগী মমল্ য়াম্লবা মতমবু অশ্বেষ্বদা মাঙহনবদা হালেংদে। পাখং কাংবু অমনা হোটেল্, হোটেলদা ফমহনা অম্নম চোইঙাং ঙাংহনা খোশাদনা মতম লে'ম্বাক্তুনা লৈথোক্পা ওম্মী। করিগুম্বা অমগা চেক্ লাওবা য়াদে,—ঐখোই ইশা য়াওরবদি পৃথিবী অসি কায়-বগদগুম লৌগনা ইয়াওত—য়াওজহনা মতম মাঙহল্লি। লাই-রিক—লাইশু হৈববনি হাযরিবা অসিম্তু অহু মঙাই। করি গুম্বা মিটিং অমগা ম'থাইনা মতম চানা থুংনবা নত্তে, মী অয়াম্বা খেঙনা লাক্লবনা কব্বা মতমদগী পুং অমা নত্রগা করিগুম্বাদা অহুদগী হেম্না থিমহু হৌবা ঙাক্ননি। অম্নম তৌনা মতমগী মমল্ খঙদবসি ঐখোই মনিপুরিদগী হেন্‌বা ঙাক্তি অমা লৈরমগনি হায়বা খাজদে। খোইদোক্না মুঙাই-

শুবা অমনা,—কন্নিশুম্বা থবক্ অমগী মী অমা উমবা চৎনবগুম ঐখোইনা ঙাংনগদবা য়াকম অ লোইরবা ফাওবদা—অহুম কোথনা নত্ত—নত্তবা পঙঙাংতা ঙাংহুনা মীগী মতুংদা নৈশিন্দুনা নৈহুনা মশাক্তগী নত্তনা মী অতৈগীসু মতম য়াঙ-হান্নি। তৌগদবা থবক্, ঙাংনগদবা য়াকম অহু কোক কাক্ক লোইখোক্তুনা, মীদম্মু কুইনা শুত্তবা, ইশাগীসু মতম মাঙহন্দনা পুনা হন্‌খিগে থক হায়নদে। মসি খোইদোক্না চাওখত্তবগী খুদম্নি। অয়াম্বা মহৎমদা চিরোন পাম্বদগী শাংৎনা ঙাংলগা মীনা পেনবিগদবোই নিংবা অ'তানবা য়াথল্‌দগী খোকইবনি। অসুম্না মতমগী মমল্ শত্তদবা জাতিনা কন্সা মতমদা মী য়াবা ওমগনি।

মীওইবগী পুনশিগী মমল্‌দি হিংহনা লৈবা মতমগী অশাংবা অহৎদা নম্দুনা ওনগদবা নত্তে, মী, মী অহুনা পুন-শিদা পাংথোকপা থবক অৎনা ওনগদবনি। অৎনা যনা কুইনা হিংহনসু কন্নিশুম্বা অগৌবা থবক অমত্তা পাংথোক্তুবদি মাহু তেনগ্রবা পুনশিশুম্বনি। সুংজাও অমনা মতম কুইনা চৌংমাইদা তাহুনা লৈবনু কনানা মাগী পুনশিগী অশাং-শাংদা থম্নবগে? কন্নিশুম্বা অচৌবা, অফবা থবক অমত্তা পাংথোক্তবা মীওইবগী পুনশিগা মুংপাক্ অসিগা কন্নিবু খেন্নখিবগে? নিংখি-না শিজিন্নবা মতমদি মহৈ মশাং নিংখিনা শাবা লৌবুক্ মতেক্ থম্না তাইবংগী খোইদোক্না কাম্নবা ওইবগুন? মসি মহৈ য়াম্লদি, অরেম্বদা মাওংহনখিবা অশাংবা পুনশিগী মতমদি

নাপী শিংবী, ত্তিংখংনা খন্না হৌরবা তাইবংগী কান্নবা ওইদবা খোইদোক্তবা লমজাও লম্কাংনি। নিংখিনা শিজীন্নখিদবা মতম্দা পুন্শিদা ঐখোইনা হিংখিত্রবা মতম্নি। অস্তুম্না মাঙ্‌হন্খিবা মতম্ মখাম্ অহু পুন্শিদগী খাইদাক্‌না স্নেংউ,— অহুগা খঙ্‌গনি,—নহাক্না তেন্নবা নশাগী পুন্শিবু অমুক্না কয়া অমুক্ হেম্না তেহ্লজরবনো। কোরান্না হায়,—"মেহনৎ' ওমত্রবা মী অহুদি হিংহুনা লৈনবগী অধিকার লৈতে।" হিংবগী অর্থবু নোম্বা হায়বনি। অমনা অফবা, কান্নবা থবক্ অমা নামতনা নিংথিনা শিজীন্নখিদবা মতম্শিংহু পুনশিগী মগুংদা ভাইহাক ভাইগাক শিহুনা লৈরুরবনি হায়বদা থোইদোক্না চুম্নবনি।

'হৌজিক' হাযবা অসি বস্তুবিজ্ঞানগী 'কাইনেটিক্ ইনর্জি'-গুম্বনি, অহুগা ভবিষ্যৎ'না 'পোটেন্সিয়েল্ ইনর্জি'নি। অহুদা 'পোটেন্সিয়েল্ ইনর্জি'দি লেঙ্‌দ্রবা শক্তিনি, তৌইগুম্বসুং মীংইবগী পুন্শিগী ভবিষ্যৎতি ঐখোইনা হৌজিকপু শিজীন্-নবা মশিজীন্না অহুগী মথক্তা নল্লি। অরেম্বদা মাঙ্‌হন্খিবা 'হৌজিক্ কি মিকুপ্ খুদিংনা ঐখোইগী তুংগী পুন্শিগী খুদোং-থিবা অমমম্ শেম্মি, অহুগা নিংথিনা শিজীন্নবা ওইরগনা তুংগী খুদোং চাবা অমমম্ শেম্মি। 'ভবিষ্যৎ'পু মমহন্‌গে নত্রগা ভাহল্লগে,— 'হৌজিক'পু শিজীন্নবা মশিজীন্না অহুদা নল্লি। 'হৌগ্রবা' অমসুং 'তুং' অনী অসি শুকথল্ থল্লদনা 'হৌজিক'তবু নিংখিনা শিজীন্নরবদি তুংদি মশানা ভাজরবনি। অহুনা কবিনা

হায়রি।

" Act, act in the living Present ! "

মতম হায়রবা অসি আশাগী মথানি, থুংখিদবা অহাংবা আশাগী মপু ওইরিবা অপংবশিংবু শাখিনা চুমথোকপি; অচুম্বা অশিংবা মীশিংদনা মতাক নিংখিবা পাওজাক পীনখিবা মক্ষি; অহান্‌বা মীতাশিং অসি দনা মথোইনা হেক কিজবা, পাম্ভ-দবা পুম্মক পুহনা লাক্কুনা লংশিল্লকই, অচুপা অকোন্‌মগী মীতাশিং অসিদনা মথাইনা পাম্‌জবা খিবিকপু পুরক্কুনা মমাংদা খেদুনা থুম্দাল্‌পোংকুম্ পীবিবৈ।

মতম্মা লৌশিংনা মাংদা থা, থুদোংচাবাগা থুংশম্মা, নিংবা-থুংবগী নোক্-খেবা, চরাওবগী ঈশৈ অমস্তং নিংবা-কাইবগী তেংথাখোন্ অনীনা তুংদা ইন্, ঘড়িগী টেক্, টেক্ হায়বা খোঞ্জেংনা খোগল্লক্তৌ,—অতৎপা লৈচনা খম্বা নাইদবা অমথা ভবিষ্যৎরোমদা ফুঙ্গিল্লি। মাগা মরুপ্ শামজবা কনানা কবরা য়েক্লববু কিনদ, মাগা য়েক্লবা ওইরবা মীশিংনা মরুপ্ কনাগী মতেং কংনদে।

আশানা লম্জিং ওইরিবা হে নহা লমহেনবা! মতম্গা মরুপ্ শামজৌ, মাগী লুমাং পায়রুনা য়ানজৌ, মাগী খোংচৎ চুংইজৌ, তুংগী লম্বেল্ কাংচহৌ।

— — — —

নুপী

" যত্র নার্য্যাস্তু পূজ্যন্তে, রমন্তে তত্র দেবতাঃ।
যত্রৈতাস্তু ন পূজ্যন্তে সর্ব্বাস্তত্রাফলাঃ ক্রিয়া॥
শোচন্তি যামস্যা যত্র বিনশ্যত্যাশু তৎকুলং।
শোচন্তি তু যত্রৈতা বিবর্দ্ধতে তদ্ধি সর্ব্বদা॥"

মনু

(নুপীবু পূজা তৌবা মফমদা লাইশিংনা হরাওই। নুপী মীরাইবা মফমদা, তৌবিবা, হোৎনরিবা অপুন্বা অরেম্বনি। নুপীনা কপ্লুনতা (রাহুনতা) লেল্লবা শাগে অদু থুনমক্ মুৎলগনি, অদুগা নুপীনা করিগুম্বা অরা-অনা য়াওদনা (মথরাই নুংঙাইজনা) লৈরবা শাগৈ অদু মতম্ পুম্নমক্তা লেপ্পা চাওখৎলগনি।)

কনাগী য়াইথনবা নত্তে, ওগত্তা তনকপা। তমন্নং অথাপ্পা মতম্দা কম্বিগুম্বা মঙ্গল অমা পুরক্কবা রাখন্দগী নত্তে,— মখোই অনীগী ইন্দ্রিগী খোৎনাংবা কোক্কবা, রাখল্গী মিৎপুংদা-চাক্লিবা ইন্দ্রিগী মৈদগী খোরক্পা মৈথুনা পুম্নুপ কুপথিন্ননা নোংমা দুষ্যন্ত অমসুং শকুন্তলা অনী লৌন্ন-নৈনা তৌনখি,— কামগী মমি তাদবা তপোবন অদু মাংখোক্লুনা। মাদুগী মহুৎনা মখোই অনীমক্ চহী কয়া চুপ্পা অমুত্তাপকি মৈনা চাক্লুনা থুদাং পিকমু তৈনা মতম লেনুখি, তৌখিবা পাপকি মতিক্ চানা প্রায়শ্চিত্ত তৌখি। অদুদগী মগানা মমম ওইহনুখি অনীগী পুনর্মিলন ওইহনুখি।

মসিনি হিন্দুনা নুপীগী মফম্দা থৈবা মিংথোংদি। নুপীবু সহ-ধর্ম্মিণী কৌই। করি ধর্ম্মনো? গার্হস্থ্য-ধর্ম্ম চত্নুনা থৌরক্কি মঙল অমসুং মশাগী মুক্তিগী কর্ম্ম তৌদুনা ধর্ম্মগী পুন্সি লেনবদা থেংবা-বী, খোংবু ওইমিন্নবীদি নুপীনি।

ই'ডন্ গার্ডেন্দা আদম্ মতোম্তা লৈবা হুংঙাইরক্লে। ঈশ্বরগী মফম্দা মাগা লৈমিন্ননবা মী অমা পীনবিনবা হঙ্লে। ঈশ্বরনা মাবু য়াম্বহল্লে। অতুদগী মাগী থবাক্কী সরু অমা শক্তোক্লবা ওইবং মীগী মবেন্থৌ ইভ শেম্খি। অতুম্না আদম্গী পুন্সিগী লোইনবী ইভ্ যংজখি।

নুপাগী মশাদগী সরু লৌথোক্নুনা নুপী শেম্খিবনি। নুপীনা নুপাবু নক্নাদুনা, মথক্তা নেংদুনা পান্নবা নুপাগী মকোক্কি সরুনা শাখি দ, অমবোমদনা নুপানা নুপীবু নেথত্নুনা, লোই-হংদুনা থম্নবা মখোংগী সরুনস্থ শাখিদে, মাগী অকনব পান্থোম্না ঙাক্শেন্দুনা কোনশিন্দুনা থম্নবা,—পান্থোম অতুগী মথাগী সরুনা শাবনি, মাগী হৃদ্ক্ষেত্রগী মনাক্তি শরুনি, মাগী থম্মোইহী পুংশিজরবী পুন্সিগী খোংবুনি, মাগী থম্মোইগী মনিনি।

"মপুরোইবগী থাজনিঙঙাই ওইবা অমসুং মংরাই পুডঙাইনা ইনুং-মহুংদা প্রভাব চালাইহনা মমা অমা ওইনা য়ুম্বান্বা—অসিদগী হেন্না য়াংবা অশা খৃষ্টিযান্ নুপী অমগী অতে অমা লৈত্রবনি।" হিন্দুশিংসু অসি মঙাই। মশাবু পুংমুং মুথত্নুনা মপুরোইবগী য়াইফনবগীদমক্ হিংবনা হিন্দু রমনীগী

আদর্শনি। কুশোনা হায,—‘মুপী ওইবী অমগী মতিক্ মগুণদি ঙাংবনা মায় খঙ্বিদবগী মথংদা ফুমগনা লৈ,— মাগী লেমজবনা মপুরাইববু মীনা য়াংনা থাঙ্গংপগী মপুংদা অমত্তং মাগী পোক্লবনা ইমুং-মপুংগী মুঙাইবদা ফুমহনা লৈ।” সাবিত্রী, নিংথৌরেনগী মচানি, মশাগী অনিংবা, অপাম্বা ভপুম্বা থুংননবগী, ইকং ফংনবগী লম্বি পুন্নমক্ মতম পুন্নমক্ ইরৈ-মরৈ। অদুবু মানা ময়ুম মকৈ লিংদবা, হৌরকখম্ খঙ্দ্রিবা পাখং অমবু মপুরোইবনি হায়না লৌবা মুমিত্তগী মশাগী ঙাইহাক্ ঙাইহাকি মুঙাইবা পুন্নমক্ কাও থোক্লনতনা মপুরোইবগী অন্নাবনা থল্লবা বনগী পুনশি লেনবদা খজিক্ত হংঙ্গাইবা পোক্খিদে। অদুদ্র নত্তনা তঙকপা থোক্ল থোক্লবা ফিবম্গা চাশিন চুশীন্ন। চংপা ওম্বগী শক্তিনা অমম্বা বনগী খাংপোক্শংগী পুনশিদা অনৌবা মঙান্ অমা পুশিল্লকুনা ইমুং-মথং অদুদা ইনৌ-নৌবা ভম্বা থোক্তবা মঙাইবগী সংসার অমা পুশিল্লকই। ঙসিনা নিংথৌবেন্গী মহারাণী ওইরম্বীনা, মপুরাইবগী ওল্লকপা ফিবম্গা চুননা হংষংনা লম্বিগী চাক্লিবী ওইনা পুনশি লেনবদা স্বর্গগী মুঙাইবা পুন্নমক মমাংদা থোন্দুদা পুন্থনা চংপা ওম্মি। ‘ঐ’ হায়বা অহং মুথকুনা মপুরোইবগী মপুংদা পুমচং চংনা ইমুং অদুদা অনৌবা মুঙাইবগী মগ্নাল্ অমা পুরকপা ওম্বতা নত্তনা, কিবম্বা য়ারক্তবদি করি করিগুম্বা মতম্দা মহাক্না অঙকপা ফংবা হকচাংগী থৌনাও ফুদোক্লকই। অদুনা হৌজিক ফাওবা

মরক মরুঙ্গা কনা কনাগুম্বী হিন্দু স্ত্রীনা " সতীদাহ " তৌবগী রা। তানাংবা অসিনি।

স্ত্রী পুরুষকা স্ত্রী অমা নত্রগা অমত্তু শোন্নদনা পাশ্নি। অম্ অসিদা স্ত্রী পুরুষক অসি চপ মান্নে। স্ত্রীগী মশাদা পুরুষ চিংশিন্নবা শক্তি অমা লৈ। শক্তি অসি ঐশ্বরিকনি। পাম্বনা মপান শাংলি, মপান্ অদুদা অমুত য়াওই। অমুত অদু মিংচৌবদগী খোইমুনা লৈ অমদগী লৈ অমদা কোইশাই পাইরি, মাগী মখোঙ্‌দা পক্ককপা লৈরিক্না লৈ অদুনা মপান্ অদুনা মহৈ ওন্নবগী শক্তি যংজরি। মহৈদগী অনৌবা চারা, অনৌবা চারাদগী সংসারগী ফজবা, চাওখৎপা ওইবি। অস্মন্না সংসারচক্র চৎলি। তাইবং মীস্থ সংসারচক্র অসিগী জীব অমনি। মঙোন্দস্ত নিয়মগী মপান্ থোকপা থোইদোকপা য়াংদে! স্ত্রীগা স্ত্রীগা অনীগী মতুংদা অংনা নত্রগা অমনা হেন্না ফজরব্বা য়াই, নত্রগা মান্নবস্থ যাই, মাদু ঐখোইনা ইখি-খিগংজুদনা,—স্ত্রীগী মমিত্তা স্ত্রী হায়বা অসি ফজ দনতা লৈবগনি। মরমদি স্ত্রীগী ফত্তবা হায়বা অসি স্ত্রীনা পীবা, হন্দোকপা য়াত্রবা দাননি। স্ত্রী অমনা ওইবিবা অসিগী অয়াম্বা শরুক্তি স্ত্রীনা শাবনি, মাগী ভাবকি শক্তিনা থোমজিন্‌বনি। স্ত্রীগী মশাদা পোক্লিবা ভাব অসিনা স্ত্রীগী মশাদা য়াওবা ওম্বা থোক্তবা ঐশ্বরিক শক্তি অমনা স্ত্রীগী পুক্লিংদা ফুরকপা প্রভাবননি। শক্তি অসিনা ফুরকপনা জগৎ মঙ্গলগীদমক মহৈ য়ামনবা হাযদুনা সংসারচক্র নিংশিনা

চংনবা হায়রুনা। অহুনা ঐখোইগী কবিনা, হায়রি,—'হে সুপী; নহাক অসি তংখাই অমনা সুপীনি, অতুগা অতোপ্পা তংখাই অমনা মগুনি।" হিন্দুগী মোতত্তদি মচা হায়বা অত্র কংনবগী আশা অহু য়াওদনা সুপী-সুপা সুংশিনবগী অধিকার লৈতে, ইন্দ্রিগী খোয়াংবা কোক্লবগী সুংশিনবা ফম্মক্ পাপনি, খাঙ্গৈশেংবা সুংশিনবা নত্তে, খোয়াংবনি। অরাংবা রাখল্ অসিনা লমজিং ওইহুনা ইন্দ্রি থুডম চন্দুনা চপচনা চংপা গুম্লবদি মতৌ-মনাও অহু "গার্হস্থ্য সন্ন্যাস" হায়বা লম্বি অহু চংলবনি। মসি আদর্শ ওইবা যুম্বানবগী নীতিনি। অচুম্বা, ফজবা, সুংশিবা,—সুপীগী মশাদা অমুক্তদা পূর্না যংই, পুনশিগী সুংওঙাইবা আশা, অমদি হৌগ্রবগী স্মৃতি কয়ানা—'সুপী' হায়বা রাহে অমদো অসিগী মপুংদা ফুম্দনা লৈরি, খঙহৌদনা ভাবরাজ্যবু স্বর্গগী থাক্তা পুখংলি। মহাক্কি অখাং-কনবা, খোজান্, অথোংপা, অমেঙবা লিচং—পুম্মমক্না মাঙথ্রবা অমরাপুরবু তাইবংগী য়ুম্বানবগী থাংপোক্তা পুরক্লি। মাগী ধর্ম্মগী ভাব, থাজবা, অইংবা অমদি, নৈহৎ-পবা, অমসুং চাংয়েং কয়াদা নোক্না নোরা খাঙবা—পুম্মমক্ অসিনা মাবু স্বর্গগী লাইরেম্বী ওইহল্লি, অমস্বা ইমুংগী থাওমৈনি, তথকপা সুপাগী ওঝানি, অমসুং মাগী ভাব তাররব্বা পুনশিদা অমত্তা ঙাইবী চংজফনি। মহাক্ ঈশ্বরগী মপুং ফারবা খুংশেম্নি, স্বর্গগী লাইরেম্বীনি, পৃথিবীদা অঙকপা পুম্মমক্কি পথক্কি। তাইবংনা মঙোন্দা মথল্ অনী থোক্না লমম্ তোল্লি,—

অহানবদা থরাই অসি পীনখিবগী, অনীশুবদা হিংচুনা লৌবদা মতিক্ চাওনবগী। মহাক্ অসি সুপাগী কোক্থকী মমিনি, থম্মোইগী তুংনকপ্লি, মপান্ নাইদবা লংগৈনি, অতুগা মচাশীদি পুম্নমক্কি।

লম্ফাংলবা সুপীগী পুনশিনি, অরংবা পুম্নমক মনি নত্তে, সনা নত্তে, সুপী পুম্নমক্ লাইবেখ্নী নত্তে।

সুপীগী হোৎনবা, লেং খোৎপা অযাম্বা থম্মোইনা লমজিংই, কোম্না নত্তে, অহুনা ভোইনা ভোইনা লানগল্লি, মশাগী অরাবা মশানা শেম্জদুনা মশানা থাঙ্কৈ, অতুগা মাহুদা মাবু মীনা সুংশিবা পুম্নমক্কি তুংনগম্মু ওইবি। কোম্না মাগী হোৎনবা পুম্নমক্কি লংজিং ওইবী সুপীবু সুপানা খাইদাজদে। গুলাপ অঙৌববু কনানা পাম্নবগে, ভওাংবতবু খোইদাবনি। অমবোমদা অমুক শু থম্মোইনা সুপাবু শুজাংপগা লোইননা মাগী অপাম্বাগী মপান নাইদে। মাগী দাবি পুম্নমক্, অপাম্বা পুম্নমক থুং-হনগে হোৎনবা অসি সুপাগী খাইদোম্না অপঙ্বগী মচৎনি। মনস্তত্ববিদশিংনা হায়,— সুপীবু তত্তনা পেন্নবা হোৎনবা সুপা অহু অভাশুবা তাবক্কনি, মবমদি মাগী মত্তম পুম্নমক্তা অরাৎপা অমা ইবৈ লৈ, মাগী অপাম্বগী মপান নাইদে। ঙসি নিংথিবা কি অমা মাবু খোনবিয়, মানা হায়বং অতোপ্পা অমা অমুক্ পাম্গনি। ঙসি অনিংবা অমা থুংহল্লু, মানা হয়েং অতোপ্পা অমা দাবি তৌগনি। অহান্বদা সুপা অহুবু জয় হৌরগা ইমুং অহুগী মংবম্বা ওইগনি। অহুদগী মথং মথং

লম্ লৌশিল্লক্তুনা ইমুং অহুদা কাংথোং-চাইবা অমা খোক-হন্দুনা – মতম্ কুইনা হুংশিনা লৈমিরজরল্লবা—মচিন্-মনাও মমা-অচা পুম্নমক্ কাইনহন্দুনা মানা পুংতুপ তুমদা মাপী সুতোাইজন্না অমা ওই। মতম্ অলিদা নুপা অহু নুপী অহুপী শাম্লপোংনি, অহুগা নুপী অহুনা লাই ফত্তবগী, ভূং-প্রেংকি। নুপা অহু অতাওবগা পাংথক্ ওইখি। মপাক্ লিশিং কয়াদা মাগী লম্বন্ শিংবা লোইশাইদবা, হুংশিবনা পুংথৈ ওইরবা মাবু নিংশিংবতদা থম্মোইদা শান্তি ফংলবা, মঙ্গলগী মশক্ ওইরবী মমা, অহুগুম্বা মমা অহুগী অরা-অনা নিংশিংদনা নুপীনা হায়বতনা চুমবোই নিংহুনা মমাবু মীরাইবা পাপ চেন্বা নিপা কয়া জগত্তা অতাওবা নত্ত। অতক্পনি, হে নুপী, নংগী চক্রি।

থম্মোইনা নম্বী নুপীনি। মানা নুপাবু নুংশি। মাপী অরান্বা পুম্নমক্ নত্রগা মাহুগী অয়াম্বা শরুক্তি নুপাগী অরান্বা লমজিং অমসুং ফত্তবা প্রভাবতগীনি। নুপীনা তোবা অয়াম্বা অরান্বগী দাদিদি নুপানি। মাসি নুপানা অযাম্বা মতম্দা থত্-দে। মাসি মওং থত্না নুপানা চৎলম্নবদি যুম্বান্বগী শুওভাইবা অদি শরুক্ ফনা য়াম্না হেন্দংলম্গনি। ইমুংগী মী পুম্নমক্ লোইশিন্ খোম্জিন্না পান্বা তম্বী নুপী অহুদি থাজে-শেংবা লক্ষ্মীনি, শান্তি স্বরূপিনীনি। নুপানা নুপীগী ব্যক্তিত্ব মাতহল্লি। মাহুগী মহিক নুপীনা অতক্পা ফংনা, নুপাবুদি থত্হন্দনা প্রতিষ্ঠাত অমা তৌহনা লমন্ থুমকই, মহৈনা, ইংং মংগী

মী পুম্নমক্তা থৈনাখোন্ কাওরি। মশানা থৌজান, তংশিংবা, থোংনা মেংবত্তনা মাগী শৈইজরবী মুপীগী মশান্ নাইদবা দাবিশিংবু, রাথন্ থেম্না মুপান। মানা হায়বতা থাঙ্গনা, থেম্ বদগী, মহাক্তি মশাগী কোমজরবা মগুণ ময়াম মাঙ্ তঙ্গবদগী ওসি মানা প্রেতনীগী মূর্তি লৌহনা ইমুং মনুংগী মী পুম্নমক চাংগ তাম্নবা ঐখোইনা তোয়না থেংনরি।

মসি পুম্নমক খোকহনবগী মরুদি মুপানি। দোষ পুম্নমক ম চাম্পা হৈহজিদৈ। অহুনা মহাভাবতকি লাল্ হৌদ্রিইগী মমাঙদা কৌরবনা কুরুক্ষেত্র তাম্না যাত্রা তৌহনা লাকপা মতমদা মাখাইগী অমঙ্গল শইননবা মুপীনা ওম্বা মুপা যাহনা মখোইগী লম্বলদা থম্নবা শ্রীকৃষ্ণনা ভীমগা পাওতাক পীবদা ভীমনা লাশনা মতৈ-মনাও অনীমক ফাহনা থনম্নবদা শ্রীকৃষ্ণনা মুপীগী দোষ লৈত হায়না তাকশিখি। মুপী অহুবু ভীম্না থাদোকপীখি, মুপা অহত্তা ফাহনা কোববশিংগা খরনবা শীনখি।

স মাজ অমা, জাতি অমা শেমগৎপদা মুপীনা যাম্না চাউবা শরুক অমা য়াবি। জাতি অমগী অথাইবা লসিদ জাতি ওহদা যাওরিবা মীশি, অহুনি। প্রকৃতিনা খুদোংচাবা মনা পীহনস্থ মীশিং অহুনা মী ওইরবদি জাতি অহু লৈখা তাবা শোয়-রবনি। মী শেম্বদি, মীবু মী ওইহন্বদি, মরু ওইনা মুপীনি, মামানি। মামাগী অপাম্বা, হৈনবা, হৈনদবা অসিনচিংবা অসি মগানা লৌই হায়রবতা নত্তনা মীওইবনা মাগী মুংগী

..শিদা ওইরকদবা অয়াম্বা শরুক অসি মানা অ[illegible]ৈদবা মমাগম্বা মমাম্মা মচম্ কোয়ছুনা সৈখিদা মপ্প [illegible]বনি। মাগী মমিংথেন্, মাগী পাঙ্দবা, নিঙথাই চাওবা, ধর্মগী ভাব, চাংলোম্বা, তয়াং ওংশোইবা,—পুম্মক মমাগী চাখোক অমুদগী মপ্প ওইনা লাকপনি। মমাবু মুদা খঙ্লবদি মচা অদু হেক্তা খঙ্লবনি। মসি গনা থাম্মা চুম্বা য়াংশি। অদুনা এরে াইনা ইরাট লাইনা হায়বা যাই,— মমা অমবা পীযু অদুগা অাতি অদুদি মশানা চাওখৎচববনি। সুপীবু চোকশিন্না য়োকখত্নুনা মতিক চাবী মমা ওইননবা তৌদনা জাতি তমা চাওখৎপা থক্ মায়োই। মী তযাম্বনা মচা সুপাতগী হোৎনতনা মচাসুপীবু কযা থো শাদনা য়োকপা তসি অরানবনি, পাপনি। ভগবান মনু অমসুং ঋষি নারদ মখাই অনীমক্তসু অচুম্বা হায়রি,— "যথৈবাত্মা তথা পুত্র. পুত্রেণ দুহিতা সমা"

অদুগা মহাত্মা গান্ধিনসু অচুম্বা হায়রি—

আইননা তৌরিবনি হায়না সুপানা ফংলিবা অধিকার অপুম্বা সুপীসু ফংফম থোকই। মচা সুপা-সুপী অনীগী মফমদা এখোইনা করিগুম্বা খেন্নবা অমত্তা থম্বা হৌনদে।"

সুপানা সুপীবু শাম্নপোৎকুম্ লৌদুনা মহাক্পু নিংথিবা লৈতে, থরা খোন্জিন্বিদুনা মশাগী ব্যক্তিত্ব মাঙ্হল্লি। ব্যক্তিত্ব মাঙহন্নবী সুপীনা নিংথিবা ফিজেৎ লৈতেং পীবা সুপাবু পাম্জে, অদুগা মাহ পীবা সুপা অদুনা মহাক্পু সুনা তৌরি হায়না মানা থজে। সুপাসু সুপীসু মীনি। পোৎ অমগী মমল্

মপান্দা লৈবা অদু নুপীদগী অহুম লৈকম্ থোক্পনি।

“নুপী অমসুং নুপা—অনীমক্কি অশোংবা অমসুং অথোইবা লৈতেংদি মদুগুণনি। . . . মাত্তোন্দা অমসুং মাকোংদা লৈতেং শিনখিবা চংলবী অসিদি বর্ধনশিংগী মচংনি। ওক্পগী নত্রগা পাম্বোমদা মরিমক্তা, শংশি-শিনবা অসিদি মত্যতাগী থুদম্ নত্তে।” মহাত্মা গান্ধি—’৯১০

ধর্ম্মগী মমিংদা অধর্ম্ম

ধর্ম্মগী ইতিহাসদা ধর্ম্মগী মমিংদা মীওইবনা তৌরম্লিবা অধর্ম্ম মম্লাম্ অসিগা ধর্ম্ম অহুমক্তগী খোরকপা পুণ্যগী ৎবক্শিং অহুগা খল্ খানহুনা য়েংনবদা কনানা লুম্গদনো হায়না খন্নবদা অমম্বা অমা ওইবা য়াই।

যুগ, যুগ থুদিংদা তাইবং মীওইবনা ধর্ম্মগী মমিংদা তুংলম্ মাংজুংলবা পাপকি থবক্ কয়া কয়া তৌখিবা খন্নবদা অঙক্পনি। হেক্ তাবদা তাইওম্না খোক্পা য়াই। ধর্ম্মগী মমিংদা অধর্ম্ম। স্বর্গ ফংননবগী দমক্তা, মুক্তি ফংননবগী দমক্তা ওহৈনবা পাপকি থবক্ তৌবা,—মসি হেক্ তাবদা ওইথোক্লবা ওইনা তাবা য়াই। অদুবু মসি তত্তনা খোল্লিবা অচুম্বা অমা ওইবনা থক্তকং খন্নবদা পুম্নাল্ তানগনি।

খৃষ্টনা পোকদবা চহী ৪৭০ কি মমাংদা এথেনস্তা নিপা অমা পোকখি। মশক্ খি, শেৎ-চাবা থৌশাদে, খোংউপ্ তোংদে; অহংগা য়েংবদা নোক্লিংবা পোকই, মা ভাংবদম্ মতম্ পুম্নমক্তা পেন্মুনা লৈবা খথোই ফোংদোক্না নোক্নবা ঙাংই, অরাবা, চংডাইতবগী মমি তাদ। মহাক্কি মমিং স ক্রাটিস্ কৌই। মহাক্কা থৌমু-মাংমুনবা আলেক্সেণ্ডারনগীনা নেপোলিয়ন ফাওবগী মতুং অসিদা মীথোই-শীহেনবা অঙকপা গুণ, শক্তি অমসুং জ্ঞানগী মী

মদুনা পোক্‌লিবা, মাদুনা লোক্‌লিবা, মালেমগী মপুক্‌তা লৈরিবা মতেঙ ঐংশিংদু পুখাম্বর হোৎনাক্‌হোৎলিন্‌ কৌরেগা মসুং মহোৎনা খোক্‌পা পোৎ চাদুনা ঐখোইনা হিংলিবা, মাগী লৌরুক্‌ মালনবা মূর্তি কয়াদা ঐখোইগী মিথুক্কি ফুরেম হৈরিবা, মাগী মশিং লাক্‌তুম্‌দবা শা, উচেক্‌শিংগী মশিং লাক্‌তুমদবা হুর, ফুদা অমসুং মতাল্‌ করাগী খোঙ্‌ঙাক্‌ কপ্পনা ঐখোইগী নাকাংবু লোক্কলিবা,—পুম্নমক্‌ অচিনমক্কা ঐখোইনা খোইদোরবা অমরাবগী নুংশি লৈবা খাওবদা হিংডুনতা মখোন্দা লৈজ নিংবা,— মী কোটি চনীদগী হেম্বনা খুন্দাবা মংমৃতাবা অচৌবা পৃথিবী অসিবু, মাগী চী, তুরেল্‌, মরুভূমি, বনভূমি, শা উচেক উ-ৱা অমসু ঈশিং ঈপাক্‌ অ চাবশিং—পুম্নমক অসিগা লোয়-ননা ঐখোইনা খঙ্‌নিংই। মসিবু মতম্‌ পুম্নমক্তা মাগী লৈরিবা শকক্ষম্‌ অমসুং মপোৎ মরল্‌ অসিগা কোয়না অপুম্বক শেম্‌হনা থনরবা? নত্রগা মপান্‌ নাইদনা পাক চাউরবা 'মক্ষম'গী গর্ভদা মসিসু মতম্‌ অমদা ঈ-মতুমগুম্‌ লৈবম্বরা? অহৃদগী কবিগুরুনা পোক্লম্বদি পোক্কন্নরুবা তঙাং এইবিভৈদগীনা হৌ জিককাও অসিদা মাগী যুক্তিপুক্‌ থুদিংগী ওন্‌থিবা শকক্ষম অহ ঐখোইনা খঙনি ই। সৃষ্টিগী অহানবা শক্তা কবিগুরুনা মতম্‌দা পৃথিবী অসিনা ঈশিংতনা পুংথুম্‌ থুম্‌হনা শেম্বি-হৈনা মপুনা " মীন শরীর" হৈদুনা অংতায় শতারক্ষা অমসুং মাহুগী

মতম ব্রহ্মা কয়া সাবনা চৎথনুগদবা, মতুংদা কংজাম্নী-মতম থরা মালেমকপা ভগবাননা কুর্মরূপ লৌরগা অবতার লৌরগা মীশিং অমসুং মংখাল অনীমক্তা নৈবা ভগ্না জীব সৃষ্টি ল্লো-শিবগা। মতুংদা ভগবাননা নরহরিগী রূপ লৌরগা অসুরগী লৌরিকপা মীমরক-শা-মরক ওইবা জীব সৃষ্টি লৌরমুগদবা? মাঙ্কনা কয়া কুইনা পৃথিবী অসিগী মপু ওইরগা পাল্লমুগদবা? সৃষ্টিগী ক্রমবিকাশকি মতুং ইননা মথং মথং ওইনা চথরকপদা চঙী কুম্না কয়াগী মতুংদা ঐখোইগী লৌকিক পুরিবা পৃথিবী অসি মাগী মফম্তা চংলিবা মশিং লাকউমদ্রা জীব অমসুং পাখি অসিগা কোম্বনা ওইমকইব না হায়বনচিংবা মাহুংশিং অসিনা ঐখোইগী খঙ্নিংবা রাখনবু চলিং ইহৌ তাহন্দে।

মমাংগী রা খমুগদম্, লৌকিকমকম মতম্ মতমগী ওইরা চহী অমগী মমুংদা ঋতু তকৃতা মখল্ মখা অমাম। উইচ্-রাহৈ অমসুং নৌং-গী লোয়মননা, তোংজান্ তোংজান্বা অইং-অশা পুহনা থরো খরো ওলি, মাগী মুমিৎনা নিয়ম নাইনা খোক্লি, খাল্না খাশি-খানিন্ কায়দনা থাক্লি, মঞ্জোনগী উইরিবা মশান্-নাইদবা "মকম"গী মচি মচিদা লৈনরিবা গ্রহ উপগ্রহ পুমমক মফম মফমদা চপ চপ চানা লৈনরি। অদুগা মীওইবগী খঙনিংবা রাখনবু লাংক্রকতলি। অদুনা মীওইবনা গ্রহ অসিগী মফমদা খঙনিংবা পোক্লিবা অসি থুংব্রিবমখৈ ইংং সুংঙাইতে।

খঙনিংবা হায়বা রাখনগী খোয়াংবা অসি কোরম্বা অহৈরং লৌনা মতম কুইনা তোংনবকপদগী,—তোংজান তোংজানবা

বিজ্ঞানগী মহাং দা হৈ শিংলেবা বৈজ্ঞানিকশিং-জায়বাদী ভূতত্ত্ববিৎ, পশুতত্ত্ববিৎ, জ্যোতির্বিজ্ঞানচিংবনা মাগী মাগী লমখা অসুম অসুম চংশিনখিহনা মথক্কি মাহং ময়াম অসিগী পাউখুম হো ক্রিক্কি নিংথিনা পীরে।


নিংশিংবা থোক্কৃবা মতমগী মাবু, পৃথিবী অসিদা তাইবং মীনা লাকখবা চহী কোটি কয়াগী মমাংগী মাবু কয়মা তাইবং মীনা খঙগনি ? পৃথিবীনা অতাং ওইহিংডেগী মাগিবু অমস্তুং লৈশেম সুংশেমডেদগী হৌজিক ফাওবা অসি তঙনা ওল্লিবা পৃথিবীগী মাগিবু চহী কোট্টি কয়া পূনশিবা কয়ম্বা জীবনা লিংবিহনা ঐখোইনা খঙগনি ?

পৃথিবী অসি শিত্রি, মহাক থৌজিক হিংলি। অহুক হাক্কা অহল পংওই ওইবস্থ নাত্ত। মপান নাইদবা মতমগী হিসাবতা য়োংলবদি মাদি ওয়াংতা পোকপনি, য়াম্না অতাং ওইরি। মাগী মাগিদি মানা লিজহনা তাইবংদা তঙনা মশাগী ইতিহাস শক্তোক্লি। মাগী চৌং, ফুরেল, নূং অমস্তুং মাগী গর্ত মহুংদা মানা চেৎনা কোন্থুনা থমজিল্লিবা হৌরবা যুগকি লেমথাক কয়ানা অমস্তুং মাগী মথক্তা হৌরিবা পান্থি ময়াম অসিনা অমস্তুং মাগী মথক্তা চত্নুনা পাল্লিবা জীব কয়া কয়া অসিনা হৌরবা যুগতা ওই-রম্বা মাগী মশক মতৌ তঙনা তাক্লি।

ইস্কুং অমদা মমা মপা, মচিন্-মনাও কয়া লৈনরিবা অসি-ঙুম্না ঐখোইনা লৈরিবা গ্রহ অসিগীসু ইস্কুং-মহুংগী মী লৈজরি অমস্তুং ইস্কুং অহুদা থাগীসু ইকাইখুম্নবা ওইবা মকম লৈজরি।

মখোইময়াম্ অদু পুম্নগা সৌরজগৎ অমা কৌই। মমা মপা অদুবুনা সূর্য্যৎ কৌই। হুমিৎ অদুদগী থোরক্পা গ্রহ, উপগ্রহ ময়াম্ অদু পুন্শীন্নগা সৌরজগৎ হায়রিবা অদুনিঃ। হাখল্লা লায়া ফংদবা মপান্, নাইদবা অহাংবা "মকম্" অসিদা মশিং লাকৃঙম্দবা সৌরজগৎশিংগী গ্রহ, উপগ্রহশী মশিংদি করি হায়রনি, অঙকৃপা, অঙকৃপা, অঙকৃপা হায়বা অদুনি।

ঐথোইগী হুমিৎ অমসুং মাগী ইমুং মচুগী মেম্বরশিং অদুদি অসিনি :—



গ্রহ অমসুং উপগ্রহ ময়াম অসি মপান্-মাইরুদা অহাঙ্বা 'মফম'দা মাগী মাগী অয়েঙ্বা লম্বিদা চত্নুনা মপা ওইবা থুমিংকী অকোয়বদা তত্তনা কোয়না কোয়না চত্নুনা লৈরি। মখক্কী এথং-মনাও অসি থুমিংকা নক্কবগী মতু ইন্না মথং মথং পীরিবনি। সৌরজগৎ অসিগী গ্রহ ময়াম অসিগী মরুংদা পৃথিবী অসিনা থুমিংকা নক্কবদা অহুম্শুবনি।

পাক্ চাউরবা অহাঙ্বা মফমদা চহী কোটি কয়াগী মমাংদা মাগী ব্যাসতদা মাইল কোটি কয়া শাংবা মনিন্ মপাক্ লেমখি। করম্ তৌনা, করিনা মাত লেমগ্রিবনো কনানা খঙগনি। ঈশ্বরনা লেম্লনি। মনিন্ অসি মরু ওইনা 'hydrogen' অমসুং 'helium' হায়বা গ্যাস অনুনা লেম্লনি। মসিদগী "আকাশ" (ether) ওইরক্লে। মথক্ লোমদা ঐখোইনা য়েংবদা অহাঙ্বা মফম্ ওইনা উবিবা অসি অহাঙ্বা নত্তে। মাসি 'আকাশ' (ether) না থাম্না লৈরিবনি। মাগী মত্তেংনা মডাম্না চৎপা ঙম্মি। হায়রিবা মনিন অসিনা কুং-শিল্লক্নুনা চপ শিল্লক্রবা মতমদা মমাংদগী মচেৎ কয়া কায় খিদুনা পাইথোকখি, মচেৎশিং অদুনা থুমিং অমুগী গ্রহশিং ওইখি। মতুংগা অমুকম্তু গ্রহশিং অদুগী মরুংদা কয়া অম-দগী মচেৎ কয়া অমা পাইথোক্খিদুনা উপগ্রহ ওইনা মাগী মাগী গ্রহ অদুগী অকোয়বদা লৈদুনা লৈ। থা অসি মসি অমা ওইখিবা পৃথিবীগী উপগ্রহ অমনি। চহী কোটি কয়াগী মমাংদা পৃথিবীদগী পাইথোকখিবনি।

অহানবদা কহিন্নু লৈতবা খ্যাস ওইনা লৈরবাগী অহুক য়াম্বা থুং, চীং পাখি মখল মখল অমসুং জীব মখল মখল ওইরকইবা অসি শক্তা অঙকপনি। কনাগুম্বা সর্ব্বশক্তিমান ওইবা অমগী শক্তিতনা মসি ওইহনব্রিবনি।

মতিক চাউরবা বৈজ্ঞানিক মিঃ জি, এফ, মোরেল (Mr. G F Morell) না পৃথিবীগী পুন্‌শিংগী ঘড়ি অমা ভাবনা শাহ্নগা পীরে। ঘড়ি অসিগী পুং ১২ লৈ। পুং অমমম্মা চহী ৩,০০০,০০০ কা মান্নে। পুং অমমম্‌ অসিদা অহান্‌বা ০ পুংদগীনা পুং ১২ তাবা অসি কাওবদা, করম্‌ করবা জীব মখল্‌ মখল্‌না পৃথিবীদা লৈরবগে অমসুং চহী লাখ কুন্থা, কুন্থানা শাবা যুগ অমম্ম্‌ অসিগী সম্পৎপা য়ারি অহু লৌরি। অহুনা ঐ'খাইগী পৃথিবী অসি য়ামল্লবদা চহী ৩,০০০,০০০ × ১২ = ৩৬,০০০,০০০ ওইরবনি।

অহানবদগীনা অনীশুবা পুং অসিগী মনুংদা, অহানবা মৈ মতুম ওইরা লৈরবদগী মফম মরাং খওদনা মৈগী মনিন অহু পাইথোরকই, অদুদগী মথক থংবা শরুক্তা খরা কন্‌শিন্দুনা চপ শিল্লকবদা অকিবা যংবা মৈগী মনিন্‌ অহু পৃথিবীগী মচী মচীদা হেক্তা কন্না পাইথারক্লন্না লৈচিন্‌ অমসুং লোং ওইরক্লা পৃথিবী অসি মতম অমদা ঈশিংতনা পুংথুম থুমক্লে। ঈশিং ঈশাক্‌ অচৌবা অসিদা পৃথিবী অসিদা ইহান হানবা মথক্তাই পান্‌বা জীব কাওরকই। মখোই অসি মক্ক মম্লাও য়াওরবা ক্লোয়রক্ক ক্লোয়বা ম'কাংতনা ওইবা জীবনি। যুগ

অসিমতু দা মতুংদা কোন্সেং থম্বোই, ম্বাইথুগুম্বা মশকতা অকনবা মঙ্গনা কুম্না জীব থোরকই। মসিবু 'কেম্ব্রিয়ান্ পেরিওড' (Cambrian Period) হায়না কৌই।

পুং ২ অমসুং ও অসিগী মতুংদা ময়াংলেন্ সরু ম্বাওদবা অচৌবা থজিং মানবা তা জাং অমা থোরকই। অদুগা পু ও অমসুং ৪ গী মতুংদা মাঙ্গংলেন সরু পানবা তা ফাও-রকপা হৌই। মসিনা পৃথিবীগী ইহান্ হানবা ময়াংলেন সরু পানবা জীবনি। মসিবু সিলুরিযান পেরিওড(Silurian Period) কৌই পুং ৪ অমসুং ৬ কী মতুংদা মশাদা অকনবা মউম্না কুম্না অমসুং অকনবা, অচৌবা ময়া পানবা তাজাও মথাম অমা পোক্লকুনা হায়গী থজিং মানবা তাজাওশিং অদু মাও-হনখ্রে। মসিনা ময়াংলেন্ সরু পানবা জীবগী অচৌবা অহানবা জয়নি। মসিনা 'ডেবোনিয়ান পেরিওড' (Devonian Pd) হায়বহুনি। পুং ৬ অমসুং ৮ গী মতুং অসিদা পৃথিবীগী মথক্তা চাওর-চাওরবা উজাও ময়াম হোৌগৎলক্রে। উজাওশি অসিগী মিহৌহুনা ভৌত্রা,—ঈশিংদতা লৈবা জীবশিং অদু মংথাও মথুং পান্দুনা কংফাম্দা কাবা হৌরক্লে। অদুম্ন পৃথিবীদা অহান্বা ঈশিং অমসুং কংফান্ অনীমক্তা লৈবা কুম্ভীরগুম্বা জীব কাওবরুম্বী, মসিনা থোঙ খুৎ পানবা জীবগী অহানবা কাওরকপনি। যুগ অসিবু 'কার্বোনিফেরস্ পেরিওড (Carboniferous Pd.) কৌই।

পুং ৮ দগী ৯ কাওবা অসিগী মতুংদা ম্নাম্না চাওব।

ঈশিং-চুম্ (Sea lizards) মখল্ কয়া পোক্লকই। মসিবু ট্রিয়াসিক পেরিওড (Triassic Pd.) কৌই।

পুং ৯ অমসুং ১০ অসিগী মতুংদা ব্রনটোসোর (Brontosaur) অমসুং ষ্টেগোসোর (Stegosaur) অমসুং চাওরাবা মহা পানবা, কোইপাই পাইদুনা চৎপা জীব (Flying dragons) কয়া অমনা পৃথিবী অসিগী মপু ওইদুনা অমুক্ পাল্লরে। মসিবুনা 'জুরাসিক্ পেরিওড্ (Jurassic pd.) কৌই।

পুং ১০ দগী ১১ তাবা মতাং ওসিদা সমুদ্রগী লৈথাদা অচৌবা ঈনাং য়াম্না তারক্লে। মতম অসিদা ঈশিংদা লৈবা অচৌ অচৌবা লাইরেন্‌গী জাৎ অসি অণ্ডকপা কংবা মওংগী মশক্ থিরবা, অকিবা কংবা ওইরক্লে অদুগা অচৌবা খুজিল্ অমসুং মগ্না পানবা উচেক্ জাৎ কয়া অমসু মতম্ অসিদা ফাওরকই।

হায়রিবা যুগ অসিমতমদা খোম থকপা জীব ফাওরকই। মখোই অসি পংচাউ চাউবা জীব নত্তে। মখোই অসিনা চাউ-রবা ডিনোসোরশিং (Dinosaur) অদুবু মাও-হন্দুনা পৃথিবীগী মপু ওইরকপা অসিদি অণ্ডকপা অমনি। 'ক্রেটা-সিওস্ পেরিওড্' (Cretaccous pd.) হায়না যুগ অসিবু কৌনৈ।

অসিগী মতুংদা 'টার্সিএরি পেরিওড্' (Tertiary period) হায়রবা যুগ অদু চংলক্লে। যুগ অসিগী অরোইবা শরুকা ঐখোই

তাইবং মী অসি থাংলকপনি। যুগ অসিগী অহানবা হেক হৌগৎলদগী হৌরম্লবা খোন্ থকপা জীব মখল্ মখল্ পোকপা হৌরকই। যুগ অসি মিং যোরেল্গী পৃথিবীগী পুন্সিগী ঘটিদা পুং ১১ দগী পুং ১২ তাবা মতম্ অমনি। যুগ অসিগী অহানবা শকতদি 'ডিনোঠেরিয়ম্' (Dinotherium), মমা মখি পানবা 'মাষ্টোডোন্' (Mastodon) হায়বা যাম্না চাওবা শামু জাৎ অমা অমুগা মচী তরুক্ লোঙবা "টিনোসরস্" হায়বা শা জাৎ অমসু থাংলকই। অকোনবগী শা অসি মথা পৌরবা কৈজাওশিংগা শোরুবা ওয়ি। পুং ১১২ গী অহুরাইদা খা মানবা শা জাৎ অমা পোক্লম্বা যাই, মাংনা মমৈদা হৌজিক লৈরিবা অচৌবা য়োংগী জাৎ অদিদা ওস্থরল্পমসু যাই। মমৈদ মমৈদা অকোনবা পুংথাইগী লোইবমদাইদা তাইবং মী কাও রকই। মসি চহী লাখ তরামুক শুংখ্রা য়া ব। অদুগা সুংপাত্ত কদিদা মাগী অহৈবা ইতিহাসদি চহী লিশিং তরামুক শুরে।

সভ্যতা

ওঝা— হায়রু, সভ্যতা কদাইরু কৌবগে? মী অমরু নত্রগা জাতি অমরু করম্বা মচৎ চৎলগা 'সভ্য' ওইরে হায়না হায়গনি? পৃথিবীদা লৈরিব জাতিশিং অসিগী মরুংদা করম্, করম্বা জাতিরু সভ্য জাতি কৌগদগে?

ছাত্র— বিজ্ঞানগী লম্দা প্রাপ্ প্রাপ্ চাওখত্তুনা প্রকৃতিরু জয় তৌদুনা আতিয়াদা পাইরিবা, সমুদ্রগী ঈশুংবুংদা 'সব মেরিন্' তোংদুনা চৎলিবা, শেৎ চাবদা নিংথিবা, অকবদা শিঙ্জীন্নরিবা অমসুং লৈনবা নিংথিবা দলাল্ শারিবা জাতিশিং অসি সভ্য জাতি কৌনিংই।

ওঝা—অদুনা লোইরব্রা? অতৈ অতৈ করি কয়ি হায়নিংঙাই লৈরিবগে?

ছাত্র— লৈজরি। লম্বি থোং নিংথিনা শারিবা, লাইয়েংনবগী পাম্বৈ নিংথিনা শীন্দুনা থম্মিবা, অমসুং মরৈবাক্তা হুরান্চিম্থি ওমদনরা মবা চেৎপা শাসন শিংখৎপা অমসুং অকনবা লান্মীগী শক্তি লিংদুনা জাতি অতৈনা ইকাইখুম্নমিবা জাতিশিং অসি সভ্য জাতি কৌনিংই।

ওঝা— য়াম্না ফয়ে। অদুদা থরনিংঙাই ওইবা য়াকম্ য়াম্না লৈরি। ন'থাইনা হায়রিবা অদু নোংচুপ লোমগী ওইবা অমসুং নোংচুপ লোমগী মীশিংনা,— হায়রবদি ইউরোপকি জাতিশিংনা থাজবা সভ্যতাগী লক্ষণনি। অদুদা য়াহং

অসিদি মক্ম্ অমসুং মতম্না সীমাবদ্ধ ওইবা নত্তে।
মতম্ পুম্নমক্তা অমসুং মফম্ পুম্নমক্তা চৎনবা ঙমমদুং চৎনবা
য়াবা পাওখুম্ পাম্মি। মুস্না তাও, ঐস্থু অময় হায়রে।

ঐখোইগী মৈবাক্তা, ইকুই কুইরি-ঙক্লাবা মাচাশিং, রবীন্দ্রনাথ, অরবিন্দ মৈরম্মি, কুইরবগী মী ওইরগনা,—বুদ্ধদেব, গুরু নানক, অমসুং নিংথৌরেন্ অশোক অদুগা হৌজিকমক্কি মী ওইরগনা তাইবং মীওইবগী কনবতা থল্লবা আচার্য্য বিনোবা ভাবেনচিংবা মৈরি। মখোই অসি ইচম্ চম্বা যুমদা য়াম্না অচম্বা পুন্সি লেন্বা মী ওাক্তনি। নখোইনা নিংশিংলম্বা য়াই,—মহাত্মা গান্ধিনা 'কৌপিন্ শেত্তুনা, খুগ্রাং তোংতুনা, বিলাততা চত্তুনা গোল টেবল্-বৈঠক য়াওখিবা অদু। বিলাতকি মীশিংনা মঙোন্দগী হেন্না সভ্য ওই হায়বদি নখোইস্থ য়ানিংঙোই। তাইবং মীগী য়াই চনবগী দবক্তা থনথবা মহারাজ অশোকতগী মহাবীর সিকেন্দর অমদি নেপোলিয়ান অমদি চেঙ্গিস্খাননা হেন্না সভ্য ওই হায়রবদি তাইবংনা ঙানিংবা য়াফম্ ওইরোই। লেঙ্গাও পায়বা ডালমিয়া অমদি বীরলা মচিন মনাওশিংনা সনাগী পুখম্ তেঙ্গাংতা চায় অমসুং থকই হায়তুনা আচার্য্য বিনোবা ভাবেদগী হেন্না সভ্য ওই হায়রবদি অঙাওবা তা-রাইদ্রা? অদুবু নংনা হৌজিক 'সভ্যতা'গী মরম্দা পুরিবা তাবতা অদুদা চপ চানা লৌরবদি মথক্তি ঙাকম্লিং অসি য়াদবা ঙম্মোই। অদুগা নংগী অর্থগী কৌরোই ইরবদি,—আমেরিকানা পৃথিবীগী জাতি পুম্নমক্কী খুৎইদগী হেন্না সভ্য

ওইবা তারি ; অদুগা জাতি পুম্নমক্কী সভ্যতাদা খাইদগী চাউরবা জাতি অসিগী শাসনগী মকোক্ ওইরিবা প্রেসিডেন্ট অসিনা তাইবংগী পুম্নমক্কী ইহেন্ হেন্না সভ্য ওইবা তারি। অদুগা আমেরিকাগী প্রেসিডেন্ট অসিনদোম্না চশী মঙা, মঙা থুদিংগী অমুক হায়রবনিনা কনোবা মীশক্ অমা খন্না থোক্লবদি মাগী প্রেসিডেন্ট অদুদগী অকোন্বগী অসিনা হেন্না অমুক সভ্য ওইগদৌরিবনি। মসি নোংাক্লবা কংনা লাল্লবা য়াকনি।

হাত্র— ঐ লান্দে হায়বদুদি খঙ্জবে। অদুবু সভ্যতা করিনো হায়বদুদি ভাব তানা খঙজরি। মাসি ভাব তানবা তাক্পিয়ু।

ওঝা— নং লান্দে, অদুগা ননা হায়রিবা অদু চুম্মু চুম্দে। লানমু লান্দে, অদুগা চুমমু চুম্দে হায়বসিদা নং ওকমু ঐ ভাব তানবা ওাককে, তাও।

সভ্যতা হায়বা অসিগী পোৎচং য়াম্মি। য়াকম খরতনা হক্ লোইশিনবা য়াদে। নংনা হায়খিবা—বিজ্ঞানগী য়াকম,— পম্বি-থোং অকবা, লাইথেংনবগী অকবা থৌশিল্ অমসুং অকবা শাসন হায়বসি সভ্যতাগী পোৎচং ওাক্তনি। অদুবু সভ্যতাগী য়া খন্নবা মতমদা ভৌতিক জগৎতা মীওইবনা কংলিবা, তান্শিনন্নবা পোৎলমতদা য়েংহুনা খন্নবদি মামা হোবা ওইগনি। মরু ওইবদি পোৎশিং অদু কংননবা অমসুং মী মশা মশা অদুনা চংলিবা মচৎ অদু ওইহল্লিবা — পুক্নিংগী থিবম্, — হায়বদি—য়াথল্গী শক্তি অদুনি।

ছাত্র — তাক্পিরিবা অদু ভাব তাজিরে। হায়রগী অমুক হেক্লা চমরক্লে।

ওঝা — চুপ্পি, চমরবা য়াই। ঐ তাক্কে, মুখ্রা তাউ। অঙাঙা মী অমত্তনা লম্বী-লম্খাংদা নপ্, ভিল্ পাক, নাক্ হেন্ থক্ শিত্তোক্লে। ফুরিংখাওদগী চে মচেৎ অমা লৌথোক্লগা মাত্তুদা নপ্, লোকচিংবা শিৎচিল্লগা ফুরিংখাওদা হাপ্তুনা পুত্রনা চৎলি, অত্তুদগী ফত্তহৌদি, অমোং অকাই হুন্দোক-ফম্ শবোক্ মরাদা থম্লিবা অত্তদা হুন্দাকনৈ। মসি জাতি অসিগী ওইবা অপূন্বা সভ্যতানি। অত্তুদা মথোইগী জাতিগী মী থরনা ভাব তাদনা ময়াম্না তৌনৈ হায়বগী-দমক তৌবা ওইরবদি মথোই অতু সভ্যতা ফংবা য়াংলি বনি। অত্তুগা মথোইগী মরক্তা ম থাইনা লোক, ভিল শিংপদা, মপান ইপান থোক্ংদা অমদি ফত্ত-হৌদি হুন্দোক্পদা মকম চাদনা পাক্ পাক তৌরবদি অতোপ্প কনাগী অমত্তুং মশা মশাগী হকচাং মগুং শেংবা মাঙ্ গনি হায়বা রাখলগা লোয়ননা তৌরবদি ম থাই অত্ত থোইদোক্না সভ্য ওইরবনি। হায়রবদি সভ্যতাগী মরু ওইবা পোৎচংদি মী মী অত্তুগী রাখল্ অত্তুনি। রাখল অত্তুগী চাওখৎপগী চাং মত্তুং ইন্না মীওইবগী "সভ্যতাগী চাং লেপ্কনি।

রাখল অত্তুনা চাওখৎপা ওইরগদি অতোপ্পা মীনা অনৌবা রাখল্গী রাকম্ অমা হায়দোক্লকপদা মাইগী চপ্ চাবা মমল্

পীবা ওন্থি অমসুং আশুগা চান্নিন্-চুন্নিরা ফওলন্থ ওন্থি। অতোপ্পা মীনা শ্রোবা থবক অমসুং থন্না রাখলগী চপ্‌চাবা শ্রমগী পীবা ওবা হায়রবা ওন্নিংদু রাখলগী অমৈম অমাংগী মতুং ইন্না থোরককপা মহৈ ওইবনা মন্নিংদু সভ্যতাগী মরু ওইবা পোৎচংনি।

মীওইবা অমনা পুনশিদা মশিং লাকতহ্নবা থবক পৌদোকশিংদা নিংথিবা অচুম্বা রাখগা লম্জিংজনা,—মশা মতোমরম্‌তগী নত্তনা,—অনকপা অমসুং অথাম্বদা লৈরিবা মী পুম্নমক্কী অক-কন্ত খন্দুনা থবক তৌরিবা অদু থোইদোক্না সভ্য ওইবনি। তৌবিবা থবক মতৌনা ওাংতকপা রাওাংনা পুন্‌শি মরেন্না জগত্তা মঙ্গল পী তা নত্তনা অতোপ্পা মীগী পুন্নিংদা অনৌবা রাখল্ পোকহনবা অসি সভ্যতাগী মরু ওইবা মচাক্নি।

আপেলনা লৈপাক্তা তাবকপা অমসুং কেটলিদা ঈশিংনা শোবা মী পুম্নমক্না উই, অদুবু অনৌবা রাখল অমত্তা কনাদন্থ পোকহন্দ। নিউটন্ অমসুং রাটিত্তা অনৌবা রাখল পোকহল্লে। মথাইগী অনৌবা রাখলগী মী অতৈদগী অনৌবা রাখল পোকহল্লে। অনৌবা রাখল খন্দুনা মী অতৈদা অনৌবা রাখল পোকহল্লিবা অসি সভ্যতাগী খুদম্নি।

ছাত্র—ওঝাগী কুপাদগী তাক্লিরিবা কন্থ ফাওবদি ভাব তানা খল্লরে। অহৃদা ওসাই রাকম ওন্নিনী অহাম্নবা হৌগংলকপা মন্তাং অহুম্নাইদা গান্ধি, 'অশোক,' আচার্য্য বিনোবা

ভাবেনচিংবক্তি না ভাকশিবা মতমদা ঃ.থাইড্ অনি লত
ভাঙ্গী অরাংবা থাক্তা লৈবা মীওয়া ভাকশিখি। এথোক
নত্তু মাং মানিলেবতু মথোইনা করম্বা থাখলবগী হায়বদি
কদোম্দগী থরছুনা মথোইবু সভ্যতাগী মঙ্গাল শংলবা
মীশিংনি হায়না লৌরিবনো হায়বা অসি মহুং খিংজিনা
খঙ্‌বা ঙমজস্রে।

ওঝা :— তাইবং মীনা হিংহুনা লৈবসি মওং অনীনি। অমনা
মশাগী খন্দুনা, ইন্দ্রিগী সেবাদা লুপ্তুনা পীকপ্রবা বৃং
অমগী মঙ্গুংদা মাগী লেংবা থোংপা পুম্মক ফাজিন্দুনা
চংলি, অদুগা অতোপ্পা মওং অতুদি,—মী অদুনা হিংলিবা
তাদু মশাগীদমক নত্তে, মশাবু কাউথোক্তুনা ঈশ্বরগী
সেবাদা নত্রগা অরাংবা, অচৌবা "মরম" (cause)
অমগী, নত্রগম্তু অতৈ তাইবং মীশিংগী কান্নবা,—
মশাদগী হেন্‌বনি হায়না লৌবা অরাংবা হিরম অমগী
দমক পুন্‌শি লেপ্পি অমহুং মাহুদগী হুঙ্গাইবা ফংই।
ধর্ম্ম হায়বা অসিনা তাকপম্তু মাসিনি। সভ্যতা হায়রগা
খঙ্‌নরিবশিং অদুগী মহুংদা থাকম্ অসি থোইদোর
মরু ওইবা অমনি। থুদম্ ওইনা,—মহাত্মা গান্ধিনা তাইব
মীগী মঙ্গলগীমদক, থোইদোক্না অতোপ্পা জাতিনা ওং
লৈরিবা ভারতবাসীগী দমক মশাবু কাউথোক্তুনা হায়বদি
মশাগী মরম্বাই ওইজবা অমহুং ইন্দ্রিগী হুঙ্গাইগদবা
হিরম পুম্মক থাদোক্তুনা,—মশাবু ক্লংথোকখি। অদুদগী

হেন্নুনা তাইবংমীগী অরা-অনা। মতম্‌খিবা অসিগী মরু ওইবা মরম হিংনা হাবা অদু থম্বোইদবী মরু কনা খুংকাকপা পাউতাক পীখি। অসিগুম্বা অরাংবা বাথল্ অমস্তুং অরাংবা মরম্‌দা কথোক্লবা পুন্‌শি লেনবগী দমক মহাক অসি সভ্যতাগী লম্বিদা থোইদোকা চংশীনখ্রবা মী অমনি হাযনা তাইব‌না লৌনরি। হায়রিবা মী অতৈ অদুগীসু অঙ্গ মঙাই।

খৃষ্টনা পোকদবা চহী ৫৫০ গী মমাংদা চীনদা থর্ম শন্দোকপা অচৌবা দার্শনিক অমা পোকখি, মমিংদি কন্‌-ফুসিঅস (Confucius) কৌই। মানা মতম অদুদা তাইবং মীগী সমাজদা অমগা অমগা য়েংথিনরিবা, তোয়না তোয়না শোক্লবা লালশি, অমসু, তাইবং মী মশেল মহৈনদরদগী তাইবং মীনা ফংনরিবা অরা-অন,— পুম্নমক অসি কোরনবগী দমক মী ওইবা অমগী পুন্‌শিদা চংকদবা মচংকী মরমদা মগী থায়না ইথোক্লুনা চীনাশিংদা তম্বিখি। হৌখ্রবা চহী লিশিং অনীরোম অসি চুপনা লমচংকী আইনশিং অসিনা চীনাশিংবু লমজিংলক্লি। আইনশিং অসি হৌদোকপা নিপা অমসুং আইনশিং অসিগী মথাদা য়ানিংনা চংলিবা জাতি অসি সভ্যতাগী লম্বিদা ফনা মিংথিনা চংশীনখ্রবনি। হৌ-জিক্কি নথোইনা থঙলরিগনি মতৌ করম হায়না মথোইনা সভ্যতাগী অরাংবা থাক্তা কাবা মীশিংনো হায়বদো।

ছাত্র :— সভ্যতাগী মরমদা তাকপিদ্রিবা অসি কাওবা ফনা

নিংখিনা থহুজরে। অদুবা তাখ তাঙ্কনবা থাক্তিম খরা নৈজরি। মাত্তুদি কজবা পোৎ শাবা নিংথিবা লই য়েকপা, ঈশৈ, রাগেং-শৈরেং নিংখিবা অম্বিনাক্তিবা অম সভ্যতাগী মরু ওইবা পোৎচং ওইবা তাই; মরমদ চাউথখ্রবা জাতি অমত্তনা, মী অমত্তনা হায়রিবা পোৎশি অসি থোকহনবা ঙমদে। অত্তুদা ওঝা ইবুংঙোনা সভ্যতাগী মরমদা নৈনবিরকপা অসিদা রাকমশিং অসি অমত্তো পনবিদে, অত্তুনা ঐনা ঙকুচকিবনি কখিগুম্বা রাথমশি, অসিবু সভ্যতাগী পোৎচং নত্রবরা হায়না।

ওঝা :— য়াম্না হুগুতাইরে। নংনা ওস্থোক্না ভাব তানা তারা অমস্থং রাখল্ চাওথোকপা রাকম্-ভাক্তা হাযরকপা অসিদা ঐ পেল্লে। হৌজিক থরগা নৈনখিসি। মহাক্না হৌজিক হায়খিবা কলাবিদ্যাগী রাকম অহ্ সভ্যতাগী মরু ওইনা পোৎচং অমনি। অদুদগু নত্তনা অমোবা পোৎ শাবা হায়বা অসিগু সভ্যতাগী পোৎচংনি। চীনাশিংনা অহানবা নোংমৈ মরু শাবা, ছাপা নম্বা কলনচিংবা শাবা তৌ দোকখি। অত্তুনা মখোইনা সভ্যতাগী লম্বীদা মী অতৈদগী হাম্না মাঙজৌনবা চৎশিল্লখি হায়নরিবা অত্তুনি।

নিংথিবা, কজবা লাই য়েকপা, নিংথিবা রাগেং শৈরে, লেংফনা অরাংবা থাক্তি সাহিত্য থোকহল্লবা অমস্থং অহানবা মখল্গী ঈশৈ লোংবা অমস্থং শকপা, পুরাদক অসিবু সভ্যতাগী পোৎচংনি।

ইটালিদি অমস্তুং ফোলণ্ডদা অচৌবা লাইয়েকপা খরা লোক্‌খি। মখোইনা পৃথিবীদা সভ্যতাগী মিংথিলা লমজিং পীখিদি। ইটালিগী অখোইবা লাইয়েক্‌পাশিংগী মমিংদি মাইকেল্‌ এঞ্জেলো, রাফেল অমস্তুং লিওনার্দো ডাভিঞ্চি কৌই।

হলণ্ডাস খরস্তু লাই য়েকপগীদমক পৃথিবীদা মমিং চৎলি। মখোইগী মস্তুংদা অখোইবশিং অদুদি বান ইক্ (Van Eyck) রেমব্রেণ্ট (Rembrandt), বার্মির (Vermeer) অদিন-চিংবা অশিনি।

লাই য়েক্‌পা, অগোই, ইশৈ অসিগুম্ সভ্যতাগী মরু ওইবা পোৎচং অমনি হায়বা অসিতমক নখোইনা হৌজিক খঙ্‌খো। চাওখত্রবা জাতি অমত্তনা হায়রিবা লমশিং অসিদা চাওখৎপা ওমদে হায়বা রাকম অসিতনস্তু হায়রিবা হিরমশিং অসি সভ্যতাগী পোৎচং ওইবা তাই হায়বসি মশানা তাররবনি। "লাওতোলগী অঙাং মরক্তা রবীন্দ্রনাথ অমত্তা য়াওদবনি", হিবম্ ওগ্রিবা মথৈ য়াওস্তু থক য়াওরকলোই। অহুগুম্বা মনিপুরগী অথাম্বা কাচিন্‌-কায়াদা লৈবা, বিভাগী অমস্তুং হৌজিক্কি মতমগী বিজ্ঞানগী মতাম্ কংগ্রিবা মকমশিং অসিদ খুন্দাবিবা মীশিংগী মরক্তা কবিগুরুদা সভ্যতাগী মচাঙ্গি হায়না ঐখোইনা পমথিবা হিরমশিং অদুদা চাওখৎপা মী খক্ য়াওজিখসিমি। অদুনদি পোৎচৎশিং অসিনা করম হায়না অমস্তুং কবি মররগীদমক সভ্যতাগী পোৎচং ওইরুথিবরো হায়রদো খঙ্‌গ্রবস্তু মখোই অদি ঐখোইনা সভ্য জাতিনি হায়না লৌনস্তিবা মীশিংগী

মরক্তা নিংখিনা যুদোকপা উই। অহুনা সভ্যতাগী অজ্ঞান্ কংগ্রি হায়নবা মীশিংগী মনুংদা। হিরমশিং অসিগী অমত্তদগু থক চাওখৎপা উদে।

অহুনা অমুক্তা হন্না, —নাকোইবনা হায়রবদা সভ্যতাগী সংজ্ঞা। পীবা মতমদা হায়রিবা হিরমশিং অসি সভ্যতাগী অখোইবা মচাক ওাক্সি হায়না পন্দরা য়াদ্রবনি।

সভ্যতাগী মরমদা অহুক য়াম্না নৈনরবা ফাওবদা মমুং তানা, মপুং থিংজিননা নখোইনা খণ্ডমগনি হায়বসি ঐনা খাজত্রি। মরমদি ঐখোইনা নৈনখিবা অসিমক মগা খায়বা য়াম্না য়াৎলি। য়াকম্না থন্না লুবা ওইবনা, অয়াংবা, য়াখল্গী য়াথম্ ওইবনা, খোইদোকপদি সভ্যতা হায়বা য়াফম অসিনা মীওইবগী নৈয়ায়িক ওইবা য়াখন্দগী হোন্দাক্তুনা ভাব, অনুভবশক্তি নচিংবা মী মপুম অমগী গুণ পুমমকপু কোনশিন্না য়াথম ওইবনা লোমনতগী মতেংনা তাকপদা খুদোং চাবা য়াম্না য়াৎলি।

জাতি অমগী পুন্শি মখেল্,—মুন্নংকৈরৈ, অমসুং অকুবা য়াকম্ অমনা,—পোৎ অমদা, খোংদাক অমদা জাতি অহুনা য়েংবা মিংয়েং—পুম্নমক অসি জাতি অহুগী সভ্যতাগী চাং লৌপ্নদা চংত্রবা য়াত্রবা পোৎচং ওাক্তনি। ইশৈ অমা তাবদা, অগোই অমা য়েংবদা শৈহেক অমনা, খুদংথক অমনা মী অমগী খল্লোইদা পাক্লবা মপাল্, মৈরক্না অমৈ—পুম্নমক অসি তাইবং মী অমগী হায়বী চাওখৎপা নত্রগা চাওখৎবা পুক্নিং

বাম্বদু, ভাব অদিনচিংবা পুম্নমক্ অসিগা মরি লৈনাথিবনি। মী অমগী মাতাং মতাং, কাগি মতৌ, মিংথেং-মায়েং অদুবগী হেন্দোক্না,—মচা-মচুগী চায়োক্কি মতং, য়ায়ক্নপা মথায়েক্ পুম্নমক্ অসি মী অদুগী চাওখৎপগা মরি লৈবা ওাক্কনি,—জাতি অমগীসু অদু মত্তাই। চাওখৎপা জাতি অমগী কাগি মতৌ অমসুং চৈবা মীচৈগা চাওখত্তবা জাতি অমগীগা থক্ মাম্নবা হৌনদে।

হৌজিক্কি নখোইনা খঙ্লম্নিনি,— সভ্যতা হায়্রবা অসি মসিন্ কৌই হায়্না সম্পৎনা হেক্ তাক্পা য়াবা য়াকম্ নত্তে হায়্রবা। অতুমক্পু ময়েক্ শেংবা হেম্নবা শম্নপা থম্নদংগা হায়খিগে।

মী অমনা করিগুম্বা থবক্ অমত্তং তৌবদা, য়া অমত্তং ওাংবদা,—থবক্ অদু, য়া অদু খোইদাক্পা অচম্বা ওইববসু,—ইশা ইশাক্কী হেন্দোক্না মী অতৈগী করি অমাঙ্বা থোক্দগে হায়্রনা। থন্বা অসি মী অদুগী খোইদোয়্বা সভ্য ওইবগী থুদক্নি। ফজবব্ পাম্বা, ফজবব্ শাবা, নিংতম্মা অচুম্বা পুগোক্নবা অমসুং অচুম্বা অদু ওাক্লা পুন্শিদা চৎননবা হোৎনবা অমসুং মীগা মীগগী মরক্তা অচুম্-অরান্ য়েংশিন্না, ওাক্লা চৎপা,—পুম্নমক্ অসি সভ্যতাগী মরু ওইবা মচাক্নি।

সভ্যতাগী মরমদা থবা চোইজাইনবা মওংদা হৌজিক্ এনা ওাক্নিবা অসিদগী সভ্যতাগী মরমদা নিংথিবা ভাব থম্নদি লোক্ষরিনি। অসিনসু নখোইগীদি ওক্লবনি। হয়েং থবা চাউরগা

লম্ভগী মাথল্ চাওংথোক্পগা লোয়নবা অনৌবা অমা কথা শোয়রকপা হিরম্ অসি অমুক্ হেন্না মরুৎ ওইবা খন্দকনি। শিনীগি মসিদা অহৌম্ লোইশিন্নসি।

মণিপুর।

মীওইবন মান মান উবা অমদি পামুব অদুতব্ অফবনি হায়্গনুনী। মাদুগি মতুং ইন্না হৌজিক্ মণিপুরগি মরমদ চাওখৎলকুলে, হায়্থরে হায়্না হায়্নরি। অহানবগি অসিন নোংপোক্কি সভ্যতা য়েংদন নোংচুপ্কি সভ্যতাত য়েংহন হায়্বনি। অকোন্বগি অশীন নোংচুপ্কি য়েংদে, নোংপোক-কি মাথনত তোক্হন হায়্বনি। পৃথিবীগি খোঙ্চত মাওবিব মণিপুরনি। পৃথিবীদ থোক্পা পুম্নমক্ মঙোন্দগী থোক্যম থোক্ঈ, অহুমদি ওইরবদ অতেম্ব লৈমায়দ শিংপ পুংশিংকুম মতম্ অমতদ পৃথিবী পুংন থোক্প মাদব মরমন পৃথিবীদি চাওখৎপ ওসী সমুদ্রগি ঈথক্কুম্ মথং মনাও নাইন চৎলিবনি। হৌজিক্ মণিপুরগি চাওখৎপাসি ফিজম্ অসী ঈথক্ অমা লোইশগ ঈথক্ অনৌব অমা কাযকপাসি মথাঙে লৈরি। মাসিদ মান মান উব ঈথককি মতুং ইন্না চাওখৎপ অমদি হাইথবে হায়্ন থখনি।

অয়াম্বা মীশিং মণিপুর অসী চাম্বগিদমক লৌউইংলোন্ মুৎনম্ হিন্দু মরম্ লৈতেম্বা অত্তি অমনা ওইনা থমদি। মৌসী- অনুৎমুং মাপুঃদি নত্তে। মীকচৎঙ মণিপুরী মমাননা লৈবাক অমত্তমুম চাক শেংগনা থাৎতুনা হিরম্ পুম্নমক মীগি মপাল্ তাংদনা মনিঙ তৌনা পানবা ওমনবা হোৎনরকপনা মমাননবা লৈবাকনা মীশা পোকপবগি মনিঙ তৌনা মীশা শোনদনা পাল্- হৌবা লৈবাকনি। মখোয়না লৌঙ ঊবদগি কৌ. হন্নাই, মোরোক, কিহোম্, চন্ত্রা, কমলানচিংবা চাবদা চঙগদবা পোৎ পুম্নমক অমসুং শেংপদ চঙগদবা লশিং, কত্রংনচিংবা পুম্নমক ফংঈ। মণি- পুর চাক-শেংপগিদমকত য়ুম্লোল্লবা কনাগুম্বা লৈবাককি শাইগনা লেপলুদে।

মণিপুরনা চানবগিদমক মীগি মপাল্ তাংদবগুম্ শেংনবগি মরমদগী তাংলকতে। মতম অমদা মণিপুরগি ফি শাবা মমিং চৎলী। মৈতৈগি নিংথৌকি মণিপুরনা ফি শাবা হৈবগি অথোইবা থুদম্নি। স্বর্গীয় সার চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ মনা হাকথক্ত বৃটিশগি ফি শাবা কাঙবুন নিংথৌকি শানবা হোৎনবদা নিংথৌকিগি মঙ্গংগি লংন মত্রেক থোকপা অত্তু ওমদনা তোকখি। ফি শাবগি মরমদা চাওখৎলবা মতম্ অসিদা মথেল্ নত্তনা মঙ্গংনা মত্রেক থোকপা ওমদ্রি। নিংথৌকি শাবা মোংতা লাইরেল্ পাখংবগি মহারাণী লাইমনা মৈতৈ লৈমনা চহী লিশিঙ অনীথোম্গি অঙ্গাইদ্ হৌরোকলম্বনি। মহাকনা শাবমুবা লমখাং থুনৎ, মোইরাং মোইকীনা শাবমুবা শাশ-তাশবা থোকপা ফি মণিপুরদ

অক্লাওবনি। চিঙখৈন শাব কিশি মরক্তু চুপ্পা, সাইরেং ফমি চৎলী। অরুপ্পি পুম্মকশি অপাথ কি শাবম অমখুং শুবদ পুম্নহল্লু হেনলী। মৈতৈগি চাংঅংভাবী অতোপ্পা অঙিং শাব, শূব হৈত্রাক। য়াদি খাগম্বু হাকথকত চৌপোকপ কোয়েথনি। মোইথাপ মাইব, কি শাব মণি°ম হুপীগি মশিন্নি। মমম অঙ্কুন অউনপোৎকি মকুংদ তবেং, কপাত্রগু, য়োগুখম্, কি শাবশি মপোং-মচম চৎনবী ওইন য়াওনবি। মণিপুরন মতম অমদ মুপাগি ফজব কি শাব হৈবমুবগি মরম ওইরান য়াও-থেমদ ইরি। "মৈতৈন অাম্মিজব কত্রং নাইব কত্রংকি শাব ওম্বিরমগা।"

হোৌজিকতি মীয়েবাক্তগি মথল্ মথ। অয়ামব লং লাকতুন 'মৈতৈমপীন মোইথাপ নাইব তোক'খ্র। খুৎন কি শাবগি মচুত্ত কোলগি য়োগুথমদ শাক্কুন অয়াম্ব মংগু গি কি শাব ওমলে। অমাৱামদন খুদোৎচাব মপা কোম্ব ফংশিবদগী কাউহ্ন মমা পুকচুংগি লোয়নরকপ মোইথাপ নাইবনু হৈনা নৌন মহাম্মজিন হোৌদোকপগুম কনাহৈমবন খমরি। থাঙ্গে-শেংবদি মণিপুর লও ইংখোনত গুদে, খুংশা হৈবদগ্র মতিক চান চাওখৎলমই।

মণিপুর মনিং তমন পালুলমব লৈবাক্তি। অসীগুমব শা লান্নুন মনিং তমব লৈবাকশী মথৌনি। অসীগুমব শা-সানুত্তন থললব মণিপুরদ পুং, ঔশৈগি খবক্তু বাংলক্তে। শা-লানগি লৈবাক ওইবগুম মণিপুর অসি হয়াউ কুইপু... লৈবাকনি।

নাই হুয়াউথগি জগোই, শক্লিবা ঈশৈ নিঙশিংবা পোক্নব নতম্নদগি লৈরক্লবনি। জগোই, অমসুং ঈশৈঅসীগ কানলব পুঙ, শেনবুঙ, বাঁশি, পেনানচিংব খুৎলাই লৈ। মণিপুরী জগোইসি মখুংদ মোইরাং জগোই, মণিপুরী রাস পৃথিবীদ অশাঙবনি। পৃথিবী মমঙা শাংরিব জগোইগ মণিপুরগি জগোইগ মামুন খেয়ে। হৌজিক ভারতত কাঙরিব উদয়-শঙ্কর, শান্তিনিকেতনগি জগোইদগি মৈতৈ জগোইন গুণ হেললী। মখোয়ন মৈতৈগি জগোই শাবদ যৌন মানব ওমদে, মৈতৈন মখোয়গি শাবদি চপ চান মানব ওমঈ। মাসিন মণিপুরন লৈবাক অতৈদগি হেনন জগোইদ চাওখৎলি হায়ব থঙব ওমঈ। জগোই মশাদমু মীরৈবাককি জগোইন থৎনবিংন শাব মরমন অঙকপ ঈরাংদ লৈ। মৈতৈ জগোইন ইঙন, লেমন শাব মরমন পেন্ন অমসুং শুংশিব পোকঈ। অহুন জগোই মশাদমু মণিপুব জগোইন গুণ হেললী হায়ব মশান ভাকঈ। পুঙগি মবমদমু মখোয়গি তাল, মাত্রা কান্নন মৈতৈন ময়ব ওমঈ, মীরৈবাককী মীন মৈতৈগি তাল, মাত্রা যাদুন পুঙ য়য়ব ওমদ। মাসিন মৈতৈন জাতি পুরমক্কগি পুঙ ঈশৈ হেন্না চাওখৎপগি খুদমনি। মৈতৈগুমন চিঙমীগী মপুংদমু জগোই, ঈশৈ লৈ। মখোয়গি যন্ত্রগি মরক্ত খুং খোং, পুঙ লেনহুঙন অথোইবনি। হৌজিক্কি অনৌব সভ্যতাগি মতুংইনুন মথল মথা অয়াম্বব মঙগি জগোই মশা যন্ত্র খোরক্কুম পুঙ, ঈশৈদি মরমদ অসুপকি মতিক চাওখলে।

অমিনি মথক্তা মমাঙ্ ভৈঙো লৈরম্লক্ব ম্রাবা, নিমেন্না, থার ন
অতোপ্, অতোপ্ত লৈবাক্ত চংনরিবা কুইন্নু, ঈশৈ, জগে ই
অমম্লুং অতোপ্ত সমাজদ চংনবিব অফ ক্তভব শাজ্জ পুন্নশ চ
উরে। হৌজিক্ মনিপুরগি জগোই, পুঙ্ ঈশৈদ। মীরৈবাক্ ণ
পোৎ য়াম্লন চঙ্খ্রে। মাদিনা হন্জিল্লক্তুন এখোয়গি ওইব পোং
অয়াম্বা মাঙ্ লক্লে। মাংম্ তৌহন মীগি মপোৎন ঈপোং
শারবদি চাওখৎপগি রাখল্ ভোব য়াদে। মশা মশাগি ওইব
পোৎ ক্তনব শেমগৎপ নংনে সমাজ অহু চাওখৎপ য়াবো
মশাগি লৈজরকপা। পাৎপু খনব শেম্‌গৎপ নতুন কনা।
চাওখৎপ য়াবোই হাযব অদু উৎনবগি দমক্ ভারতকি প্র।
মিনিষ্টার মাননীয় শ্রীযুক্ত জরাহরলাল্ নেহরুন ভারত পুন্নমকা
মাগি মাগি মরৈবাকৃকি ওইব অশেংব জগোইনচিংব মচৈ
খুংশা হৈবগি থবক উৎহনগদোরিব অনিন তশেংন তাকলি।

সুপীন ফিশাবদ হৈবগুম্লন য়েৎতুম্নগি থব ক্তস্থ চাওখৎলম্নঈ।
ক্তনেক্ যীবানন্দ লোল্লিব অনিন মিংনউব খুদংনি। নীপান
উশূব, থাঙশ ব, সনা পুশাগি লৈতেং, কোল্ হয়ব, লাই যেব।
পুন্নমক হৈরম্নঈ। শন্ন হায়রবদ মণিপুরদ হিরম্ পুন্নমক হৈরমঈ
হায়ব অদু মৈতৈগি যুম্নাক্তন তাকলি। থাঙ্ শাবৰু থাংজম,
ক্তি শাবৰু ক্তিজম্ কৌনখিবগুম্ মখোয় মখোয়ন শূব শিনুফম
মতুং ইনন তহৈবম্, হিক্তম্, কোনসম্, অক্তেকপম্, ক্তুইম্রেবম,
উসম্, কব্রংবম অসিনচিংব য়ুম্নাক্ অশী ওইখি। চক্তু শাবদ
খোবাম্পোং, চাইরেন্, খোংজাও, শেকমাই খুবী, অক্তো, মপা

খংনু হাকথকুগি শাংকক্লবনি। চেকনি থবক শাগেম্নব হাক-শক্তগি লৈরককনে।

মমাঙৈদ মতম খঙনব ঘড়ি লৈরমদ। অহুমদি ওইরগ মখোয়না মতমগি কুল্লব মতম্ কাপ্নব লৈঙনা শীজিন্নে। মণিপুরী-শিংনা তেকোং মমিঙদ মথুল্ হুৎল্লগ ঈ,সি,দ তাউহন্নলগ মান লুপ্লগি মতুং ইন্না মচম্ শেম্মী। তে ফাও অহুন ৬০ রক্ লুপ্লদ নোংম ওই। মাসিন কুথী কাপ্লন্ অনীমক্ত মতম কাপ্লদন শীজিন্নৈ। নিংথৌগি তানখৈব লোমশঙ্ন মতম্ য়েংঙৈ। হৌ-জিকতি ঘড়িন চৎনব মরম্না মতমগি মরমদ মী পুম্নমক্ থুদো চারে। ঈসিংগি ঘড়িদ চৎনরিবৈদ মতম্দি সোয়দে হায়রবু মী থূদিঙ্ন থৌব ওমদে। মথম্ অসিন মতংগি মরম্দ হৌজিক্ন থুদোংচাব হেল্ল।

মণিপুরগি ওক্থুল্ চিঙ্দ লৈরিব খংথুই স্তম্ভ ভারতন মমাঙ্ৈগি সভ্যতাগি মরম্দ শিঙথানরিব অজন্তোগুহাগুম্ মণিপুরদ অকাওব স্তম্ভ অমনি। স্তম্ভ অসিগি মথুংদ ব্রহ্মাগ মণিপুরগ চহী থূদিংগি লৈবাক্ তনীন চংনগদব নিয়ম পুম্নমক দরবার তৌহুন ওাংলৈ। মথুংগি দরবার কা অসী মী চনী চহুম কয় য়ান চাউঈ। মাহু চঙবদ খোঙকাপ চনী য়াঙখৈ থাংলগ য়ৌঈ। স্তম্ভ অসি লপন চঙব য়াই। মথুংদ অতোপ অতোপ্প মায়কৈ চৎনব লম্বী লৈ। মসীগি মরমদ মহাকতি অওইব মশক খঙনব থিজিন্নব তৌজ্রি। মমাঙৈদদি মকম অসি মণিপুরগি য়াবন কায়ব মকম অমা ওইরমী।

হৌজিক মণিপুরদ লাম্বী থোং কঙ্গ চংখোক-চংশিন্দ খুদোং চাদিব অসীগুমন্ মমাঙ্গৈদ খুদোং চারমদে। মটর, এরোপ্লেনগি মপাল্দগি চংখোক-চংশিনদ খুদোং চাবদ মখেন লক্লোন ইডিকনচিংব শেঙ্গল্ তানবগি মরমদশু খুদো. চাবে। অঙোম্বা জৈবাকক মনী জৈন'কপদগি মীরৈবাকক সভ্যতা মণিপুরদ নোংম নোংমগি হেল্লকলি। মমাঙ্গৈদদি মণি পুরগি সভ্যতান মশান হোৎনদুন মশা হুংঙাইনব হাংনবদগি চাওখৎপনি। হৌজিকন জাতি পুমমককি সভ্যতা লৈশিনহুন মশা হুংঙাইন চাওখৎপনি। হৌজিকন হৈবা, এরোপ্লেন তৌদুন মশা রাদন লল্লোন্দুন সেল্ তান্ব গুম ল। অদুবু মমাঙ্গৈগি খোঙন চংদুন লল্লোললমব মীন লম থাপন হেৎপ হেললম্মী। খৃষ্টপূর্বদ মণিপুর অসী লল্লোনব অতপকি মতিক চাওখৎ-লমঙ্গী। চীনগ পারস্যগ লল্লোনবা। মরমদ মণিপুরন মযাযনি। কোম্ব ফংব পোৎ কোম্ব মাঙ্গী। খোঙন চংদুন রান তান্ব সেনন খামদ্রবশু খাঙব হেললমঙ্গী, অদুগ হৌজিককি সেল্ন য়ামন খোক্লবশু তুঙব য়াদদুন নোংম নোংমগি লায়রব মশিঙ হেললকলি। সেল কোম্ব মরমন পোৎকি মমশু হেনগৎ-ংকলি। হুংঙাইর, খুদোংচাবদ কোমখোকপ, অরাব খুদোং-থীবদ চেকশিন্নব অসী মীওইবগি নিয়মনি। লম্বী, খোং কঙ্গব খোঙন চংলিঙৈগি মণিপুরীন মখৌনা জৈব, উইদা কয়, খাঙব কয় অথৌ মনক মঙন হেললী। মটর, রেল, এরোপ্লেন খাও-দুন খুদোং চারব মতমগি মণিপুরীন [illegible] কয়, মথৌ [illegible]

মুক্তো হাংচক্তপদগী মপাকল্ মখোয়া হাংকচুন মীগি লোন্না ভাষৈ শাংলক্লে। মাচুগা লোয়নন ঙশান লৈকবগী হাতিপি চাওখৎপগী হন্থরকলি।

লমী থোং কচুন চৎথোক্-চৎশিনদ খুদোং চাবগী লোয়নন ডাকঘর, টেলিগ্রাফ, হায়াকলেশকি মপানন পাউ থাদোক্-ফাশিন্নপি মরমদসু খুদোং য়াম্ন চাবে। থোঙ্নন চৎমিংবদ খা অমা অমী চত্তব পাউ অদু টেলিগ্রাফ হায়াকলেশকি মপানন্ পুক্ অমগি মতুংদ তাব ফংলে। টেলিফোনপি পাংবৈনা অথাপ্লদ লৈবমীগী হারীশাব কাওব য়াবে। ইলেক্-ট্রিক্ লৈরন মী চাম চামন নোংমদ তৌব থবক্ অচুন মিৎন কুপ্পদ লোইব ওম্লে। মতৌ অহুম্ন চাওখৎলব অনিদ ইঞ্জিনন মথৌ মুন্‌বিথিব কাওবুন নোংম নোংমগি চয়া হেন্‌ম মশিঙ্ হেনগৎলি। শম্ন হায়রবদ হৌজিক্কি চাওখৎপ অসী "অতোওবদ লৈথোন্‌ব, অকুৎপদ লৈতওব" হায়ি।

মণিপুরদা ডাক্তার লৈরম্‌দে, অকব হিদাক্ য়াম্ন ফংলমদে। মৈতৈ মাইবন পুক্ শুচুন মণিপুরদ থোকপ মনা মশিঙ্‌ন শেম হিদাকন লাইয়েংলম্মী। হৌজিক্কি ডাক্তারগি মপান্দগি পুক্ চৎপ লাইথোক্‌পন ওৎলব্ব, মতম চাদন মী কয়া কয়া মাঙ্‌হল্লম্ব অদু কোক্‌লে। মমাঙ্‌তৈদ ফংলম্দব হিদাক্ ফংহন মীওইবগি পুন্‌শি অমস্তং শুংওাইব হেন্‌গৎলে। ডাক্তারন খুৎলাইগি মপানন মিংন উব লাইয়েংই, মৈতৈ মাইবন অমঘদ আয়ন লাইয়েংগী। মরম্ অসীন মিৎন উব অনাবদ ডাক্তারন

অহুম অমর অনাবদ মৈতৈ মাইবন হেক্নদী। মৌতিকি অহানবেগি পাউরেম অমর অনাবসু মিওদ উন লাইরেমবম ওমুলে।

মমাংউদ লাইবিক তম্বগি মরমদ মণিপুরদ খুদোং থাদ্ন চাদম্লে। মতম অহুদ স্কুল, কলেজ লৈতে। মনা শুমনা লাই-রিক হৈবা অমগি মযুমদ ছাত্র তরা অমা, মঙা, মমা ওমব দগি হোৎলে। অতগি মথক্ত মথৌ চিন্নর মচমনি, খুদিংমাদ চাক্তিবাগ থাবলম ইহন তম্বিগদবনি। মোরিকুকি মতৌঙ্গম চে, কলম্, স্লেটনচিংব ফংদে। অহুন উপাক্ত লৈপাক্ ফয়ুরগ ইরুন তম্লম্মী। মরম্ অহুন মী পুম্নমক্ লাইরিক তম্বগি খুদোং চাব ফংদে। মপা মপুন লাইরিক হৈব নত্রগ মাইব সংলেন (পণ্ডিত লোয়শঙ্) কাব মীতন লাইরিক তম্লমঙ্ঈ। অহুমদি ওইরগ মণিপুরগি সাহিত্যন কোয়ন চৎতুন মী পুম্নমককি থম্মোইবু খুদুম চনুরন সাহিত্যমি ঈচেন্দ লুপহন্নব ওমঙ্ঈ। অদুগুম্ব সাহিত্য অহু স্কুল কলেজ লাকপদগি মায়্ তাখিহুন ইনৌ মৌন সাহিত্য থৌরাঙ্ ভৌনরি। মমাঙ্ উদ পেনা, পোংজোম্ পর্ব, নিংথৌগি লম্ মন উইশে, মাকাইরোননু মণি-পুরমি মুমথোক থুদিঙ্দ চঙ্ তুন মণিপুরী সাহিত্যগি ফজব উৎলমঙ্ঈ। অমরোমদন সাহিত্যগি ফজব মরোং তারবসু স্কুল কলেজগি মপান্দগি মুমথোক্ থুদিঙ্ লাইরিক হৈব লৈরকলে।

লৈরুংদগি থোকপ পোৎকি মচুংদ সন্য, থোং, ছুর মুগু, থুম্ ফজিন মক ওইব পোৎলনি। লিচোং, চিরজেন্, চলো মাই-খাং অনি মুম্খোংগি মরম মাওঈ। মৈথেন থৈবাক্ত পোথোপ

ওয়াথোক্লিনি থ্রুম নঙন অতোপ্প থুম্ শীজিননরমদে। মোংফি মচুগা কর্কচিন্ন্ থোক্লন মখোই কম, শূবদ থাওবগি মমিং চংলী। মণিপুরদ লনা হোক্লন কংলমগে। স্বর্গীয় সার চন্দ্রকীর্তি মহারাজ লনা হাকথক্ অগগ থুগাক্লরেম্ মখুংদ, চকপীদ লনা পকপা হুম্ থুনমখি। মমাঙ তৈগি মণিপুরগি সেল্ লনা মোহুর চং-লরমখি। সেল্ মকুপন সেল্মখাইন চংনৈ। মমাঙ্ তৈগী চুপ্ থুঙ্ মুকলমদে, চানবগিদমক পেরে পেক্লগ তোকখি।

মণিপুরীন মীরৈবাককি মচু শীজিন্নরমদ্দ। মখোয়ন্ শেঙ্ মচুন চংনখমখি। মচু শেঙ্গব পাংকি মথুংদ কুমনা, কুশ্রমুলে, উরৈবোম, কোঙ্গ্রেঙ্, খুজুম পেরে, উ নাপু, কুহি, লৈঙাঙ ওসিন অংখোইবনি। মতম্ অরুদ কাইনাগি লৈঙাঙ্ মমিং চংলী। চুপ, মাইঙও মচু শঙ্বদ মাওব পোংচঙ অমনি। মতম অরুদ ফি শূবদ সোডা সাবন শীজিননদে। সোডাগি মহুংত উতি শীজিননৈ। ফি অগোব শূবদ শম্হিগ উতিগ অনীন শূরমগে। শম্হি তানুহন শূব ফিগ সাবন্নচিংব অতোপ্প পোংদন শূব ফিগ পাম্ব মাগ্নদে। মাসিগি মগুণ অমন থুন মোংতে, কুইন নমহুন খমলগ ৎংশিব মনম্ অমা লাক্হি। মৈতৈগি শম্হি তানহুন ফি শূব অসী ওসি ফাওবদ কনাগুমব জাতি অমতন হৈনদ্রি। মসিমকনম্ম মণিপুরগি চাওখৎপ অসি মগুঙ অমা ওইন জাতি পুম্নমক্কগি ক্লেনবগি থুদম উৎলি।

মণিপুরী জাতি মরৈবাককি পোংত শীজিননহুন চাউখোকপ উৎচনিঙক অাক্তিনি। মখোয়ন হায়ব ওন তাকই— "মৈতৈ

পুম নত্তন লাইদ ময়ংযুম কৎপ য়াদে, খীগি পাওঁয় মচেন লাইপুংদ কেপ্তোশিন্ থানব য়াদে," অহুম "লাগয়পাং মক্তগ মৈতৈ চেক মৈতৈ ময়েকন্ ইদব মৈহৌরোন্‌বু পাগৈ অমগি মৈহৌয়োন ওইব য়াদে।" মাসিদ পুক্কিব ভাবতি অপোয় জাতিনস্থ শাউদনব, অহুমগী ময়েবাক্কি পোৎস্থ চাওৎকন্‌ব সেন্থ মীয়েবাক্ত চৎখিদনব ভোবনি। মখোয়গী মশাগী ওইব পোৎ অমস্থং চৎনবীবু চাওখৎনব শেম্ব নত্তে চাওখৎপ জাতি অমা ওইব য়ারোই হায়ব খঙঈ। অদুন ওমশিব মথৈ মখোয়গি চৎনবী (custom), ধর্ম্ম, লৈজবমব পোৎ মাওদনব হোৎনৈ। ধর্ম্ম কয়াগি ঈথকন পুমখিদুনস্থ মণিপুরগি থায়নগি ধর্ম্ম, উমংলাই সেবা, হুয়াউব মুখৎপ ওঘত্রিবানি। মশীন চাওখৎ লবদত মণিপুরন চাওখৎকদবনি।

মণিপুরী জাতি মখিত্তুমন মীথা পোনদন পান্‌ব পামব জাতিনি। মখোয়ন মীথা পোনদনবগিদমকত হোৎনবদ নীপা ওমন সুপীগিস্থ মথৌ লৈ হায়ব খঙঈ। ময়ম অদুন নীপান লৈবাক ওাকপ, সুপীন যুম পূব অসী মথৌ ওইখি। মপান খোক্তব সুপীন কয়থেল্ কাদুন লাল্লান ঈতিক থৌখি। মাশীত নগুন লও উব, ঈংখোল্ কোইব অসীনচিংব থবকস্থ পাংশিল্লি। মতম অহুগি সুপীন অয়েম্বদ লমজাওদ চৎপ, শাসনদ অহে শাব তৌরকদে।

মণিপুর শাসনগি নিয়মদ কনাগুম্বা নী অমত্তা মথৌ মশক খঙদন লেপ্প লৈহন্নদে। মাণি মাণি মঙ্গৌ অমুক্কা

তৌরম্ লেল্ তানবগি লম্বীদ খুদোং চানব অমসুং মথৌ মশক খঙ্নবগি পানাগি য়ুম্নাক্ খুদিঙ্মক্ অহেন্না শিনকম্ অময়ম্ পী। অদুগী নত্তব মীন থুলগি ওইন থৌদা লৈ। শাসনদ্ অকায়ব লাকৃতনব, অমদি থকৃসি থাসি (discipline) খঙ্ন শাসনদ্ চংনবগিদমক্ মণিপুরগি নীপা পুম্নমক চহী ১৫ দগি চহী ১৮ ফাওব শঙ্লেল্ লোয়শঙ্দ থমৃহন থৌগললোল্, হায়ব ইনব, মথৌদ পুক্নিঙ্ চঙ্বনচিংব হিরম্ পুম্নমক্ তমৃবি। অদুগি মতুংদ মহাক্ মহাক্ন হৈনব, অপামৃব থবকৃত শিননহন অতোপ্পা লোয়শঙ্দ থায়। মরম্ অদুন মতম্ অদুগি মীন জাতীয় স্বাধীনতাগি দমক হোৎনৈ। হৌজিকৃস্ শঙ্লেল লোয়শঙ্গুম্ব মকম্ লৈত্রে। মী পুম্নমক অপুনবগি মহুৎত মশা মশাগি স্বাধীনতা ফংনব হোৎনবদ লৈবাকফি অকাযব ওইরি।

হিরম্ অতৈদ মণিপুরন চাওখৎলম্বগুম্ন শাসনদসু মতিক চান চাওখৎলম্ঙৈ। মখোয়গি শাসনন শবন ভারতকি ষ্টেট পুম্নমকন মীখা পোনখ্রবদ মখোয়ন মনিঙ্ তৌন লাল্হৌব ভংব্রিবনি। অদু নত্রবদি য়াওান্দগি হেনন চাউব অকোয়বদ লৈব লৈবাকন ভসি যাওব লাকচব ওমৃত্রিব অসী থোক্লম্-লোম্রদবনি। মখোয়গি শাসনদ নিংথৌদগি করিসু লৈতব প্রজা অমা ফাওব মথৌ খঙ্দব য়াদ। নিংথৌন লৈবাকফি মকোকনি, প্রজা পুম্নমকন লাইগি মানবন ভক্তি ব্যবহার তৌহন নিঙ্শিংবনি। অদুবদি ওইরগ, মহাকন তৌনিঙ্ব তৌবদি মাংদা, খঙমব মমংদ্রং প্রজাগি মরা মখুংইনুম তৌগদবনি।

মাদুগি খুদম্তু ছেত্রকীর্তি মহারাজন হিংখ্রত্রৈ মাপ প্রজাগ হি থোম্লবদ মেপ্রা মেজরন মতম্ চাবন অভম্, অদোগি য় য়াওদন নিংথৌন মনিঙ্ তৌহুন প্রজাগি মগোংগ শীজিন্নব প্রজাবু শীজিননব য়ারোই। সঙ লোকতকশুন চাক জাঙ্লবা কনাগি দোষ ওইগদগে য়ায়েল্ চুম্দব তারোইদ্রা হায়দু হি পুন্নমক থাদোকখি। মাসী মতম্ অংগি কঙ্গব থাজন্নি অত্তুগ ভঙনবগ লৈবাকক মানরব থবক অত্তু নিংথৌগি য়াং-নজন তৌনদে। মৈতৈগি ব্রাহয়দ "লৈবাকন নাম, নিংথৌন নাম" হায়রৈ। মতুন লৈবাকন য়াদব থবক নিংথৌন অঙম্বন তৌব ঙমদে, প্রজাগ্র মথায়গি য়াথং থোৎইদব য়াদে। মন্ন হায়রবদ, ফম্মাইবগ প্রজাগ অনীগি মথুংতত্ত নিংথৌগি শক্তি লৈ। নিংথৌ অমত্তং লৈবাককি মথাদ অঙম্বগি শক্তি লৈ। অত্তুগ নিংথৌ অমং, অঙম্বব্ পাঙল্ কল্হনবন প্রজাগি পাঙল ওই। মতৌ অত্তুম্ন মশা। মশাগি মগী থঙ্ন অমন অমগি মঙ্গল ঙাক্নহন শাসন পুরম্ণ্ঠী। লৈবাকন য়াব, মথৌনা লৈক, মরৈবাককি মশক মুন্ব শঙব নীপান অঙম্ব ওই। নিংথৌন মনিঙ তৌহুন থবক তৌদবগি খুদমদি—"নিংথৌন নোংমদ য়া অনীদগি ক্ষেনম ঙাঙ্কদে, অত্তগ শিঙ পুব য়াদে" হায়ব অদীন তাকই। মাসীগি অর্থ—শাকেন্দ্র নিংথৌন য়া-য়াম্ ঙাঙ্ব য়াদে, অঙম্বগি মথৌনি, অত্তুগ সেজ্গি মত্তমদ নিংথৌন শীব, হিংসাব শুব য়াদে হায়বনি। অত্তুগ শাসন্নুগি মতুংইন্দন নিংথৌনা লৈবাক্ পুন্নমকন অমান ঙাক্নখৎলুন,

পুন্নমক পীখোক্তুন চাউইহন্‌বনি। মংম্ অদুগি নিংথৌ অমসুং কন্নাইবদি মথরায় কৎলগ ওইবনি। নিংথৌন বংশগি মচুংদ লৈ। কওম্ববদি "ওক খোনদন সেনাপতি ওইব য়াদে" হায়ব মকুংইনন্ন অথোব মরৈবাক শুংশিব মীন ওই।

মণিপুরগি শাসনগি পথাপ (Manipuri consititution Act) অসী খৃষ্টাব্দ ১৭৪ দ মৈতেওংদু লোয়ম্বন ফম্বান্ কায়গ ' লোয়ম্ব শিল্‌লেল্ ' কৌন ইরম্মী। মাতুদ নিংথৌদগি তোল্লব প্রজা ক্ষত্রবদ তোগদব থবক, মগৌ, ফমনাইবন ফংজব য়াব পোৎ, নিংথৌ অমসুং কন্নাইবদ প্রজান কবম্ব শাজং চৎপ, প্রজাদ নিংথৌ অমসুং ফমাইবন করি শাজং চৎপ, লৈম নিংথৌন ঈমুং মনুংগি শাজংত অকায়ব য়াওরগ অচমবন করি তৌব, ফম অমসুং প্রজান লাললগ করনব দণ্ডি পীব অসীনচিংব ইরি। অতুগ য়ুম্মাক, খুল পুন্নমক মহাক মহাককি মশিল অমমন পীতুন সেল তান্‌বগি লম্বী শেনবি। মীগি মশিন্‌দ লানশিন্‌ব য়াদে। অসুম্ তৌন লোয়ম্ব নিংথৌন ম্নায়েনগি পথাপ থম্বিরমতুন চৎনরকঈ।

শাসনদ খুদো চানব মণিপুর অসী পানা মরি, লৈকাই মরি থোকন খায়বগ পানা লাকপ, লৈকাই লাকপ অমমমবু পুহললী। পানাদি লমদ ওায়দে, য়ুম্মাক্ত খায়বনি। অতুগ অরায় খুলগি দমক খুল খুদিংগি মতিক চাব মী খন্‌তুন ফম মশিং করুন হাপ্তুন রায়েল্লহললী। মথোয়ন ওম্‌দবন কোম্মুং মৌঈ। মাসি গ্রাম পঞ্চায়েতকি ফিভম্‌নি। থায়ন মথোয়ন

পুরম্বর থবক অদুদ শক্তি পীদুনা গ্রাম্য পঞ্চায়েত লেম্খি-
বনি। শা লাকপি থবককিদমক লরাগ্রদম্বু কৈরূপ মখি থোক্কন
খাগরি। হৌজিককি কম্যুনিটি প্রোজেক্ট, থাম্বনাগি লৈকায়
মখি, পানা মখি, কৈরূপ মখি থোকন খাগতুনা মাংগি মাপি
মরম্ ফুংঙাইনব হোৎনজব অদুনি। অদুগ হৌজিককি কো-
ওপরেটিভ, মণিপুরগি শিঙ্লুপনি।

মণিপুরন স্বাধীনতা ফংনব হোৎনবদ পুকচেল মাপ্পে,
অমদুং অন্নাব থাঙ্বন মখোয়্গি মথৌনি হায়ব থঙ্ঈ।
স্বাধীন ওইব তারবদি মী খুদিঙমক ম'খোদাং অমমম্ পুদুনা
ম্রেক্লবগ অকম্ব লাল লেংনব তাই। লাল তৌব তারবদি
লান্মী চঙঈ। যেক্লবন লৈবাক লোকপদি কোম্বুং লওরগ
লোইরে। মরম অদুন মরৈবাক কননব মৈতৈ পুম্নমকন লানমী
ওইদুনা কোম্বুংদ লাললুপ কারমবনি। লাললুপ হায়ব কসী-
মকন নিংথৌবু থনব নত্তে লৈবাকওাকপ লানমীনি হায়ব
তাকলি। হৌজিক ভাবত স্বাধীন ওইরে। অদুন সিপাইগি
মখৌ লাকলহন ভারত গবর্ণমেন্টন টেরিতোরিয়েল আরমী
শেমগৎলকলি। থায়নগি মনিপুরগি গণতন্ত্র শাসনদি জাতিগি
স্বাধীনতা তাকপনি, মশা মশাগি স্বাধীনত ওইনব নত্তে।

থায়নগি লান্মীগি মসুংদ শগোল তৌব লানমীন ম'কাক-
নি। মখোয়গি খুৎলাইদি থাঙ, টা, তথাংবাইনি। মায়থোক-
নরিউদ থাঙ্, টা শীজিন্নবগ্ন মযায় ওন্বক তারবদি আরাম-
বাই শীজিরৈ। মখোয়বু জাগরূব মী মৈতৈগি আরামবাইন

খ্যান মথরায় মাঙ্ঙী। মৈতৈ নত্তব অতোপ্প জাতিনঙগি কাঙলদা আরাম্বাই শীজিন্নব হৈদ্রি। শগোল্ তোংব হৈত্তব মীন আরাম্বাই শীজিন্নব য়াদে। মৈতেইঙু খাগেম্বন শগোল্ তোংব লান্মীবু কাঙ্জয় শানহনহুন কুম্মৈ তৌবদগি শগোল্ কাঙজয় হৌদোক্খি। পৃথিবীদ শানরিব শগোল্ কাঙ্জয় অসী মৈতৈন মৈতৈ নিংথৌ খাগেম্ব হাক্থক্ত হৌদোক্পনি। অসিগুম্ব ঐখোয়গি ওইব অশেংব পোৎ অসী জাক্কব হোৎ-নরম্বদগি মণিপুর ভারতত তিন্ব সুংৎতগি থাদোক্রে। মাসিগি মহুত্তন মতম্ অমদ অতোপ্প জাতিগি ওইরগ মৈতৈন অমুক তম্লরগদবনি।

হৌজিক্ মণিপূরদ গণতন্ত্র শাসন চংতূন লৈবাক্ন য়াব মীন শাসন পুরে। মাসিদ খায়নগি মণিপূরদ চংলম্ব গণ তন্ত্রগ হৌজিক্কি অসীগ খেন্নব খরা লৈ। খায়নগি প্রজান য়াব মীদি থবক্, মথৌনা, মরৈবাকপু শেংন ণ্ংশিব উৎলগ মথরায় কৎলবদ প্রজান য়াহুন শাসন পুই। হৌজিক্কি প্রজান য়াব মীন মরোশিংন য়াঙাঙ্ কজব উৎতূন মীচঙ্দ তোংহুন প্রজান য়ারগ শাসন পুই। খায়নগি শাসন পায়ব মীদি মণিপুরগি মশক্ মুন্ন খঙ্দুন, ওম্থৈ মশক্ খঙ্ন শাসন পুবনি, হৌজিকন মণিপুরগি মশক্ খঙ্দন অমম্বদ য়ারী তারগ পুব শাসননি। মমাঙ্তৈগি শাসনন পূকচেল্ অমত ওইন পুই, হৌজিক্কি শাসনন পূক্চেল্ মান্নদবন কাঙ্লুপ কাঙ্লুপ নাইহুন অশোয়ব ভাইনবনি। খায়নগি শাসন্দ মী পুম্নমক্ মপুক পেল্লী,

হৌজিকফি শাসনগী মীম পেকপন কাঙ্‌লুপ য়ামনা, লেপ্লু দনি। অদুগা য়েংলবদি অমুন অমবু শিঙ্‌থাংদম অসী অসৌ অতুব মাংশদপি লোকপালসি। মসী মণিপুরগী ব্রিটিশ সরকারগা চিঙ্কাগোংদা সদক ইনব ত্রিদিংলি হৌরে।

মৌরিঙ্ক মণিপুরন চাওখৎলকপগী মতিক চাব থুদম্ তৌরে। মাসি অমাঙ্‌ৈহন খোকখিব লাল্ মওয়াম্ অহুম খাঙ্‌খিবনি। ঙৈয়া থুমাক, অংক্লুং ব্রিটিশকি লানদা মণিপুরগি কবর লৌৎ, লাচাঙ্গিক, অতুগা মৈতৈন উবদ থবাম শোক্লুন ঈ শাপৎকদব লৈবাক অসীগি মিংচং ওইব লোৎ কয়া কয়া মাঙ্‌খিব মরমুন মণিপুরবু অসী য়োন চম্ন উবনি।

Other books by the same author

1 English Translation & Composition for Classes III—IV

2 অনৌবা যুগকি অনৌবা মী।

3 A Manual of Highes English Translation for Classes VII—X

4 ইণ্ডিয়ান্ ষ্টেটশিংগী মরমদা খঙ্জিজে।

N B

Translationগী লাইরিক অনৌ অসিদি শ্রীপারিজাৎ সিংহ বি, এ, গা পুন্না ইমিন্নবনি।

PRINTED AT THE BIJOY PRESS LTD